ঐগী ইমা মচাগীদমক বারু তু্ না, নোমজন্তবনিদা, শূজন্তবনিদা,
ঐখোয়না লৈবিবদুগা কয়াদি লাপ্পদনা
সনা লমজাও শবক্কীদি রাংমদা লৈরম্মীদো ইনাক কৈথাক খুনবা ইমুং অমা,
শবক্কী অরাংদনা ঐখোয়, মথাদনা মখোয়,
ঐখোয়না হাইগৎপ্রা হাইগৎতে,
মখোয়না হাইথত্রা হাইথদে,
চঙ্খুদি মাম্নবনি, চঙ্খুদি চাবনি,
লেল শায়বদা লন লৈবদা মমিং চৎলি মায়কৈ সোমদা,
ইমুংদুগী মূঙ্খুবেক্কীদুনা ময়ূমদা ফিশাকোল মবী মত্তা খিল্লগা
লল্লোনশেল মানা পুথোক, ফিশাবী নেঙ্কুনা ফিবু শাহল্লগা
হাইবল্লম্ব কৈথেলদা ফি যোনফম ফমদুনা শেলবুদি তাল্লি,
ইনাক খুল্লি, শেলগী অরাংপা লৈতে মবলগি এখুমগী অনংবা লৈতে,
অদুম ওদা তানলিনবগী পেনবা নাইদে তালিনবগী হালেংবা লৈতে,
অহং নুংথিল নাইদা মবলবুদি তানলিল্লি, ওলিল্লি, খোলজিল্লি, তুংলিল্লি
মখোয়গী মতেংনা লৈত লায়বা ঐখোয়গুম্বা কয়াদা খুংগুমলবুদি পাবদুনা
তোল্লি তাবর্লিংগীসু হিংবদা মতেং খবমৈথেবুদি ওইনৈদো।
মতমদু ঐনখায় লাংগ এবী মত্তা অমগী লোগা তাংদুনা মাংদা খুমদ লা ইদাংদুনা
লৈরিবইত্রানি
ইমানা নুংঙাগা থাংক্রলানা ঐবু লোকবা ইমাসু ইনাকখুনানা ইথুংসিনা ফি লাদুনা
খুংগুমলনা ঐখোয় এবু তিংনৈদো।
ইমানা লোইং মুং হানবদা মখোয়দা চৎতুনা ফি লাই
মবক্তা অমুক্তং চাক চাবদা শূবা লেল্লী, পোত্থাবা তায়বদো মদুদা এনাক্ত,
অদুদগী, নুমিৎ চুম্মা ... নুমিদাংথাওবা ফিশাকোলদা এথক্তা ...
মথুংতু লেল্লা লৈতনা লাম্নানা শাতুন্দেম হুনবগী 'তেক্ত ওাক্ত লা অদুম 'ও ক্ত'
লৈর্বন,
এথুং লাম্মনা শমজেং থেংজিলবগী ইত্তাক্তা শংজেং লাতে, তেম ... কায়া
কায়া থত্ত থত্ত,
মদুদসু অমুক ফম্ন চত্তইগা চত্তদেগা, শাদেগা কুংজেগ, চন চংদেগ তেংলেন
হেন্দেগা মহাঁনিদে মহাঁন,
রাংজিগা রাংতেগা অমুক, ইমানা মদুগী চক্র ইনবা হুরবা তৈথজদো

মবুক্তি ফনা যৈ হায়বনু যুম্বুবেম্বীদো চক্রিদি ওম্থোক্লা কনম্রেদা, ইশৌবুদি
ওম্থোক্লা লাংস্রেদা।
মসিমসু ঐগী হৌনবী চপচাবী চহীদি মখণ্ডস্রে, মকাউরে;
ইমুংদুনা ইমাবুদি যাম্না নুংশিনা, যাম্না লুনা চান্নবুদি তৌবিবনি,
যুম্বুবেম্বা যুম্বুবেম্বী অনীমক্লা ইমাগী মমিংফাওবা কৌবিদে,
'নুপীমচা নুপীমচা' হায়না কৌবী,
ইমানসু যুম্বুবেম্বদা 'তাইবুংঙো মকৌজে,
অদুগা যুম্বুবেম্বীদুদনা ইনম্মগী মহক্তা 'ইচে' হায়না কৌজেদো,
কাব এওংগী মিকৌমো খঙদেদা।
ঐখোয় মচামখৈনসু 'মাইবুংঙো', 'ইনে' হায়না অদুম মকৌজে।
ইনাকখুনবা, মরল লৈবতা নওনা ইজ্জৎ লৈনা শান্তি দে,
নংখু'ই যাইফনা শান্তি, জিবনা ইবং লংই, শুমাং থেম্মোং, য়েনখা লুখা অপৃম্বা
চেক্লা চন্দুনা শিং নান্নি, চেক্তী চেকথাক্তা,
ননুং অচৌবা চঙফম খোংহাম্ফম, মতমদুদদি মৈতৈ লৈখাক্তা অহাঙবদা
থাক্কনি,
চেকাশনবা কনাগুম্বঙনা কোম্মু তৌবগা মথক্তা লৈশাক শীবগা থান্নবনি,
মদুসু নোং চোংতনবা মথক কুপ্পদি তৌনদে, অদুবু মখোয়গীদি হৌজিক্কী
সেপ্টিক টেঙ্কমক্তি নত্তে হায়বনু
জিক্নিনা কুপ্পা লঙ মচা শীক্তকপা থোঙ শান্দুনা লাবগা
চেক্লা চম্নগা থাপ্পা অষ্টবনা নালা লেম্নগা পুর্খিবনি,
অখোংশা মচেং শক্তেদো।
ঐখোয়গী মায়কৈ শোমদা, ঐখোয় লৈকায়দা লৈশা শায়ববুদি মঙীং যামজন্নসু
মরি মত্তাদি অদুম মইবর্বনি,
অদুবু বিজুলি মরি তিংবা ওম্নদুনা,
কনাসু বিজুলি থাউমৈ পুশিন্নদে,
চইশুম ইনাকখুনবা ইমুংসিমত্তংনি বিজুলি থাউমৈ পুশিনবা মতমদুদা,
মখোয়গী মশাগী মখা তানা মরি অদুম তিংখিস্রে।
মশাগী ইংখোলদা বিজুলি থাউমৈনা ইঙাল ঙাল্লি, পুমঙাল ঙাল,
লুমিদাংগি অহিংগি হায়বগী অকিল কাবমতা পোক্কবনি,
নুংথিলগা নুংশংগা থেম্নবা খঙদনা লৈবনি,
জিলং কুপ্পা যুমথক্তা চাকখুমদা চাক থোংবগী মৈখু থোবকফম
কোক্তৌগী উংতোং অমা থিনগংতুনা মদুগী মথক্তা অমুক কোক্তৌগী তুশি

অমা উম্মীবি।

মদুদা মৈথু থোরক্লকদি শোয়দ্রে মখোয় চাক থোংলে খঙনৈদো।
ঐনা ইমুং মনুং চঙবদা উবকই—
মখোয়গী চাকশঙগী লৈবঙদি খঙদে কৰি মওংনি হায়সিগে
চেক্লা চল্লগা ফৃড়া মচা অমগুম্বগী মনুংদা মৈবু থানবা লেম্লগা
মুমথক্তগী উতোংদো থিংজিল্লগা মুংশিল্লিদো.
মদুদা মৈথুমখৈ মথক্তা শাইখক্তুনা থোকখিদো,
মদুনা চাকশঙ মনুং কাদুদা মৈথু অমতা লৈহৌদে।
খবা বাংনা ইকোয় কোয়, দলালসু ময়াওই, শঙশাঙ শাবগা
ঙমু লৈবৌ, উকাবী লৈবৌ, ঙাক্রা লৈবৌ
অতৈ ঙা অকংবা খবসু ময়াওই খকং খকং খিল্লি,
মদুমক্তি মখোয়না চানবা ঙাক্তি নত্তে, মোয়াবসুনি
ইনাক কৈবাক শুনবশিংনা হেন্না থবায়বুদি য়াওইদা লেলবু তানবদা,
মসিদবু মবল লৈত হৌনব্রা ?
সিদা নত্রে শগোলবুসু শামইজেদো মুম্বুবেম্বদো
মবুক্তা ফবিবা ঐখোয়বুদি নুংশিনা চাওা তৌবর্বান।
ওম্ফোক্লা ফজত্রে মাগী শগোল কাকবা
মমিংবুদি চংশনি
শগোল লমজেলদসু থবায় যাম্না য়াওবনি মহাক,
ঐসু ইমাগী মতুং ইন্দুনা মূলদগী কুম্লকগা (ঐনা সুম নাংশিংজবদা মওমদো ৫০
পি কুল তাম্লিমাল্লে)
ইমাগী মতুং ইন্দুনা ইমাগী মনাক্তা হেক্তা অদুম মচংলে।
ইমুংদগী মচানুপা তোম্পোক অমা,
ঐত্তোম্বগী নাউবোল অমা অনী হল্লমগনি ইয়াম্না অম
মচানুপা মতোমতনি।
মাগা অদুম শায়দুনা লৈবনি নুমিৎচুম্না।
মাদি য়াম্লসু কেথোকই, য়াম্লসু মত্তাও থী,
মানা চাক চাবদসু কৌশিন্দুনা ঐবুসু মপাইজে,
অচল অনীদুনসু চাউ চাউ হায়দুনা অদুম মতৌবী,
সিদা নত্তে,
ইয়াম্বদুনা ঙা লৈবৌ থম্লিবা শঙশিংদুদা পুশিন
ঙা লৈবৌশিংদো অতেক অকায় তাবর্বশিংদো পংশাদা শাইজে,

ঐসু হাউবোই কবিবোই পংচাদা চায়,
নীংশিংলুবগা নুংশিবকইদা অসুম ইপূক অসি ইনৌ নৌবকই,
মখোয়দা চেক মকুপ বেপোন তাখি শুগাইবগা শঙ অমদা পীক থম্না পৈদুনা লৈ,
মদুদসু নংত্রি, তিক্কোই অকংবসে শঙ অমা পীক থম্না লৈ,
কবিনু তৌবিবন্না খঙদে,
লংগোঙ পীজনবনি হায়,
অকংবা তিক্কোইবু কবম্না চাবিদগে লগোলনা, খনবদা মমখি।
তিক্কোই অকংবা মবক্তা ঐখোয় অনী চোংশিন্দুনা,
মথক্তা কাখৎলগা অমুক চোংথদুনা, মনুংদা হুৎচিন্দুনা, ইথক্তা নাপী চাইখৎতুনা
শাগৈ ঐখোয় অনী,
অঙকপনি অঙাংগী মপায়া, খঙদে কবিগী মনুংঙাইনো অঙাংগী মনুংঙাইবা ’
কবিদবু নুংঙাইবিবা মসিদা ’
নোংমাদি অউবমখৈনা নোকখিবমা মহা ওইখি,
ইয়াম্লদুগা ঐখোয় অনী চেক মকুপ অদুদা ওন্দুনা শান্নরুবগী, চাইশিন্দুনা শান্নরুবগী
ফিবোল খোংগ্রাউ ফুবিং, মায় মীৎ কোক
চেক মকুপ তাক্তা তৈবদুনা
চেক মচু শঙলদুনা
ঐখোয় অনীনা থোবকপা উবগা।
ইমুং অসি ঐগী অঙাংগী মতমদুদা য়েংলু য়েংলুবদা
মীৎফম্বুদি হোংবা ওমখিদে।
খুম অন্দা মীতৈগী লাইখল তাবা খুমজাওদা জিলয কুপ্লানি
মাক্কোল মাংশোক ফম্মেন নাইনা শাবনি,
চাউববা মাক্কোলদা নোংপোকথংবা নত্তনা য়েং ওই খা রাং
ফক্লাং অহুম শুনু হাইদুনা ফজবনি,
নোংপোক থংবা মায়কৈদা তনৌববা কোবৌ নহা নুমিৎ সনা খোমদোন অঙাল
মানা চাকহাইবকপা রাই
তনৌ তনৌবা মঙালদা লংনা ফেঙবা পিগ্রাই কন্নীদা খুপ মেক্রুক থা,
লংঙ্রিক লংবা পিগ্রাইগী লেম্পাক্তা লৈবাং অমত্তা ওইবসু,
ইশিং অকবা শেংনা ফেংলবা পিগ্রাই খুজাইদা খিন
সুর্যাদেববু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী তক তক পূজা কচ্চদুনা ওকচৈদো।
মাক্কোল খেঙ্গোং লাং অচৌবদুদা
কৌনা ফক্তি অবোনবা অথাবা অমা থা,

মনাক্তা উগী চাউনা লংনা থাউ তৈবা অরাম চৌক্রি লী লোনবা
পান্থোম পানবা অমসু লূনা নাম্না মথম্মী,
মদুদসু লূনা নাম্না ইশু তানা শুদেক্পবা ফি অমসু থূপচিল্লগা মথম্মী,
মদুগী মনাক্তা অমুক হিনাকসু থম্বাল পাবা ফুঙ্গেনা খেংপা মস্তক মাম্না শাংবনি,
মদুমক্তী মথক্তা অমুক ভাম্বুক লৈরোং হকপা অচৌবা অমা
য়োংনা লীংখিনা শারবা মখোঙদা খিল্লিদো,
ভাম্বুক্তুদা হিদাক য়াওব্রা য়াওদব্রা খঙজদে,
নুমিৎচুপ্পা লৈবা অদুম মউই।
ফক্লাং অকোয়বদা ফজ ফজরা লাই ময়াম মিংশেল চন্দুনা
ববি বম্মগী থূংয়েক্তা বাধা কৃষ্ণগী তোঙান তোঙানবা বৃন্দাবন লীলাগী
শক্তম পুবা কম্মা অমসু থেংলিদো।
গোপীশিংনা যমুনা তুবেলদা ইকজউ মফি য়াওদা,
তোর্বান্দা হৌবা উপাল অমগী মথক্তা কৃষ্ণ মানা গোপীশিংগী মফিমখে খোমজিনা,
উশা অমদা য়ানশিন, অতোম্বা উশা অমদগী মানা লোয়া লুমদুনা য়েং,
অতোম্বা অমদনা যমুনা তুবেলদা ইবুংঙো ইবেম্মনা হিগী নৌকা খোম্না
গোপা গোপীশিংনা আবেবখেলগী শক্তম, পেচকাবী কাপ্পবা আবেব তৈনবগী
শক্তম,
কালিন্দ্রিগী হিদেন্দা লিন নিংথৌ কালিযু দমন তৌদুনা লিনগী মকোক তোক্লেন্দা
কৃষ্ণনা মখোঙ কাবল চন বাঁশি খোংদুনা লৈবগী শক্তম,
নাকন নাকন্দা লিনগী তালোই লৈমশিং মীগী শক্তম লৌদুনা
কৃষ্ণ মতোন্দা হায়জবগী মূর্ডি,
পোকপদা ভাইবিবা অভাং নাবা ওইবিবা কৃষ্ণবু থুমোক্তা হাপ অনম্ভ ২ না
শেকপিন ওই,
মথুবাগী কৈশুমশঙদগী ইথক হৌবা যমুনা তুবেল লাম্না ব্রজ বৃন্দাবন তাপ পুদুনা
চৎপগী শক্তম,
পুম্নমক অসে ওম্বোক্রা ফজনা চাউনা চাউনা থেংলিদো।
ঐনা মাঙ্গোলদুগী চেক্লা শূৎ নাম্না চনবা লৈমায়গী অহিংবদা
লোংত্রাক লোংনা হিপ্পগা য়েংজদুনা কয়াদা পুক্লিং লূপচখিবা,
কয়াদা নুংঙাইবগী ইবোমুংদা লূপচখিবা,
ইশানা ইশাবু কাউথোক ঐসু যমুনা ইয়ায়দা অদুম কুমথদুনা
ইশাসি কদাইদনো খঙদনা কালিন্দ্রিগী ইয়ায়দা
কালি মাগী লিন চনুরা অমীগী অৱাবদা শকক য়াখিব্রা খঙদে।

য়েংবদা কয়াদি ফজত্রে মতম হৌখিবা খঙখিদে।
ঐখোয়গী লৈকায়দা ইমুংসিমদগী হেন্না অসিগুম্বা শকতম পুবদি উজবক্তে,
পোনর্দ্রি থোংনজাত্রি,
চাং লেম্না নীংখিবর্দনি পৃক্রিং হুবা শকতম্রি,
কনা গুম্বা নিংথৌবগী অস্তম অথৌ ফম্লাই ফমজাওবশিং মলক নাইবশিংগী মুম্বানি।
মঙ্গ লায়ব ইমুংগী মচা ঐদি পূমত্তুম্নদি তুমহৎখিবনি।
ইমুংদুগী মপাব অমত্তা লোকপা তোম্লোক্কো
মগা চট্টা লেম্না নংত্রবসু, ইমায়াবা নংত্রবসু অদুম মনানমিত্রে নুমিৎ চুম্না থাদোক্তুদনা।
মতৌক ওক্লাক্কা মন্তাও থিত্রে, লমসু ওক্লোক্কা হেনবনি।
লংবদি তোবাই মচা অথৌবা অহনবা অমা কদাইদগী লৌকবনো খঙদে
পুথোক্কুনা ঐতোম্বা লীবগা,
মনা লমজিংদুনা মী উহন্দনা ঐবু খুৎ পায়দুনা পুই।
চেক থংনবা মুত্রোয়াবা হিক্তোদ্দো নিংথেমচা মযুমগী ওইবশী,
মখোয়গী ইমুংদো লাইশঙ মাগুপ লাদুনা লাইবুদি সেবা তৌজবনি,
কুম খুদিংগী কাং চিংদুনা চোইদোম চোংদুনা ক্ষেত্রি কংতুনা লাইনীংবা ইমুংনি।
নিংথেমচা মযুমগী হিক্তোকদা লম্ফু পান্নী তবা কুনমুক ফজনা হৌই,
চত্তুনী লাবাক অলাকপা লেক লেক লাউনা লংনা ফজর্বনি,
মদুগী মনাক মৌবগা ইমাম্না তোম্লোক্কুনা
মনা মী উদবা মকম অমদা লৈবগা
ঐখোয়না তোবাইদু পী হকুম্নদি হাউথবকই—
'লম্ফাংলস লোইনা তক্কা লেম্বংনু
মথং লীবা তম্বা মায়থোক্তগী যোমোন লোক্ককই।
ঐসু তোবাই অথৌবনা বা লেনবা য়েক্কৌ লেনর্বসি ওক্লোক্কা পামজত্তনা ওক্লক্রা
নুংঙাইজর্বনি।
অথৌবা তোবাই মমদুনা লেনবদা লব লব চঙদুনা
লম্ফু লম্বীনা চুত্তুনা তুত্তুনা তুথবকপদো
কথোক পুঙাইগুম কয়াদি লেনত্রে পৃক্রিংদা।
লেনবনা মঙ থংবা ঐ মঙাইবে থন্দুনা চাউথোকচে নাপক কানা পৃক্রিংদা।
অসুম ইথাম্বদুনা লাবা মথংদো ঐনা লৈপাক তাহন্দে,
লম্ফু মচা, লম্ফু হাতম লম্ফু অচৌবা, অবাংবা অনেম্বা
মচুৎ অমত্তা লেপায়দবা লা পানবা কয়া, পাম্বা কয়া
ঐনা থৌনা ফনা অৱাবা খঙদনা তুবাতুবমখৈ লেনখৎলে।

মপু তাগনি হায়বগী রাখল তৌরদে,
লফু তুবগী মথোলসু তাখিদে ইলাদি,
পৃক্লিংদা অকিবা মচেং পোকখিদে,
লফুনা মখোঙ্ তুপ তুপ্পুনা চাউনা-চাউনা লৈমায়দা
লাকংগা লোয়ননা দম দম তুম্থখিবা
লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উরগা
লানফমদা যেক্লবা ময়াম হাংতুনা অশিবা সিফাইশিং তাদুনা লৈবগা
য়াথং পীবিবা লানজিং পুবেল মথম্মোয়দা নুংঙাইবদুগুম,
ঐসু নুংঙাইবগী মথোই কাবম্মী,
ঐনা চাউথোকচনা মোমোন নোক্লা মী উদনবা য়েংলিবা ইয়াঙ্দুনা পোঙনা পোঙনা
হেক হেক লফু অতু খুদিং য়েংলুই,
মানসু ঐনা ইথৌদা পৃক্লিং চঙনা শাঙথোকপদা মঙক নোঙ্মা থৌগংলম্মী।
ঐনা চাউথোকচৈ ঐনা পোঙজৈ নুংঙাইবগী মপাল নাইখিদে।
হোবাইগী অথৌবা ময়ানা ইবায় লাইনা চঙদুনা তুপপিবা
হোবাইগী য়াবেল মফমদা লফু মহী চেম্বকপা উবগা
চোকপবা লৈতা লফুশিংদু লোইনমক লেনখিরা খাল্ল পৃক্লিংসিদা।
মতমদুদা ওদি মপুদি তাদ্রিমাল্লে, খণ্ড্রমাল্লে কাবিমতা হায়বক্তে,
লেংঙাগাগদি রা থোক্লেদো, কনানো খিগংলক্লেদো।
লফু ময়াম লৈবাক্তা তুদুনা লৈবদু উবগা মপুশিং শাউবনা মৈ থৌবে,
থৌবনা মৈ অদু মৈগাগা নত্তে, মৈজাও ওই, অচৌবা লাঙ্গাও অমা থোকপা য়াবিননা।
অমুক্তা হেন্না ওক্লিবদি পৃক্লিংদা থোইদোকপা অথুকপা ফাওখিদে,
শাউর্দি শাউবজাংনি, লৈনবিবা থাকুনা ঐনা তৌজকবা নত্তবনা
কনাগী থৌইনশিন্নো, কনানা ইনশিনবনো, কনানা তৌহনবনো,
মকমদা লৈবা মহাক্তো কনানো ঙায়বা হেক্তা খঙবজাংনি,
হান্না মখোয় নুংঙাইনদনা মলোমগা লৈনবত্রা মদুদি থোইনা খঙলমদে।
অদুবু লাঙ্গাওমক্তি থোকখিদে,
ঐগী ইমা পৃকফবীদো, কবি ময়াশনো খঙদে
মাবু নুংশিদে হায়বা থেংনজখিদে, মী পুম্নমা নুংশিদা মতম্দৈন,
ইমাবু নিংথেমচা ইমুংগী সনখ্যাশিংদুনা
'তম্পাক তম্পাক' কৌদুনা হায়লিংঙাই লৈতা দুনা তৌবনি,
তম্পাক্কী মচানি হায়বদুদা পোকখায়খিদবনি হায় অশাউবগী থোমদে।
নংলমদ্রবদি য়েংবদা নুংঙাইবা কুম্মৈ অমদি লোয়দনা ওইবমগনি।

চিসিং কবি কদম্ব শিলাদে উত্তা ত নঙগী,
এতবদ্দা লাবিবনা কদম্ব উদুংডে
মদুগা থৌজিক্কী ঐগী হকচাংগী থ তম, ঐগী চহী মতাংসিং,
মনৌবা মরুপশিং নাকাগী নুংশিবা ভাইবং অমগী মঙলান
ঐনা হৌজিকসু অমত্তসু মথৌজিক্কী
মক্কাগী এতমসিদা,
তৌরম লমিং লমনিবা নঙগা অমুক্তা বাদী শাননীংঙদা,
ঐঙাদা নঙগী কবি অনীংবা মতমবা হৈবগে অসুমা তৌরিবসিবে
ওঁম ভয় ভয়ম।

১৫

চৌবং মীওইশিং
চন্দক চান্দাক
তেল পালদা তুংগিদা এটম ওইবিশকসি থাওবদা
শক্তাংনিঙে উইদি অমুম্বাক
লেপ্পাংদ্রা উথবসে তেক
উবাইংদুনে অসুম্বাক লেপুনা
উবাদা অমদি অমুম বাংকুলাঙা এবাবে
সিং কবিদা উবাদা অমদি তৌজকসু বাংকুলা
'চবাদুং' তা হৈবদে,
বাইচ শিংমু বাইচ শিংমু, উমা বাইচ শিংমু।
থাক্কনাক্কীংদকদা,
থ সেংসং চাংদোক্কীংদকপাদা
নাসিংবদ পেক্কা মীশিংদুকো লৈবাকদা
নংঙৈদু চানবা বাইচিলা,
বাইচ শিংমু, বাইচ শিংমু, উমা বাইচ শিংমু।

লাংলা লম্ভুবা নুমিৎদু, মতুংদা চৎলা থাবী
লাক্কু ল দু নুমিৎশু ওন্থোক্লা লাক্কু।
নুমিৎনা শোয় অভিযান মনীং তত্ম মকা লামা
মইমং হাংক্রোক, মলা হান্দোক চেঁইনা ভুম্বা উৎথোক্লি

নোংচিং অমত্তা অতিয়া মকোয়দা হংলমদে
অমুবা লৈচিল থাংদে, পৃমলেং লেংজি
মপাক্কদ লৈথৈ পুখোক্কুনা
মকপী থোক্কা শাবি, শুসিদি হেক শুন্নমথৈ
শাদুম শাদোক্কে, শাদোক্কেদা মতানি।
লৈকাথগী ইন্নাম্বশিং অমগা
মতমদু ঐ চহী কয়ানো নীংশিংববুদি থোক্কে,
হায় ফুল কাবত্রা, মৈত্রিক থাবমদাইবা খভক্রে,
যাম্মা শীকপমক্তি নংত্রে থৌদোক্কুনা,
ইয়াম্বদুবুদি ঐগী চহী লেঙ্কাবুদি নত্তেদে, খক্তিক থবাক নত্তে ফনা যাম্মা চনগানা,
অমুক নুংথিলগী যাম্মা তোয়না তিন্নকবসু নত্তে,
দৃমলোনাক শাইজিনগা শাইজিনগা লোয়বসু নত্তে,
মৃমগী হায়কববদি মনীং মমাংদুনি উনাগে হায়বগা
থওইনা চংলগা উনকবা, থওইনা লাক্লগা উনববা নত্তনা
উনদবনি, লেংনদবনি কবি কবম লেংনখিবা নুমিৎতু
ঐ চায়বা শুমত্রে নীংশিংবা থোক্কনবদা
ঠৌনবুদি মানা ঐবুদি মম্মবুদি নুংশিবরনি,
যাম্মা কুনা চাম্মান ঠৌরবনি
ইহৌ শিংজুদম চশি, ইহ ওম্ভোক্কা পনীংদু চুসিন
ইহৌনবুদি তেক্কসি চায়না ঠৌনদুনা চংখৈরোদা
মহোয়গী অচাওবা মী লৈনদবা তিংঙ্কাদা।
ইহৌ পাম্পীদে উজ্জাত্রবুদি নত্রেনে, পংচাউবুদি চাউদেয়।
অদুমচক্ত ওইবগা ঐদি উবু কাবা ইহবা মীওইদি নত্তনে
হেক লোকপদগী চাউগে চাউ, শিকত্তে শিকউ
উ অমত্তসু কাজবক্ত অমুত্তা, ইহ হেকপদি চায়কনু।
কবি বাখল্লগী ঐনা ইহৌ হেক্কে মাকবা,
অত্তকপনা পনত্রে ঐচক্তি চবাও চনাও মাকদি,
মসিদু কবি পাইহৈংলে পুক্কিদ লোনবিক
তে লকউদবা নত্তনা চল্লমলবা '
তাইবং মীওইশক্তি চন্দক নুপাক
চাইবং মাচতুনগী মতমগী দাতংগী বাতং ভাক্তো
থৌদোক অমত্তসু ইচম ইচম চমমিদুক

বাহৈ শীয়ু, বাহৈ শীয়ু, ইমা বাহৈ শীয়ু।

খরা খরা নীংশিংলি,
নীংশিং মমি মূৎলু মাদে
তুসিসু হিংলি মম্নিশিং
চহুচহু লাউনা হিংলি।
ঐনা কারিবা উ মকাদো, খাংগৎপোই ফিনথৎপোই কাবা হৌই।
উখক মৌবে, অদুম ঐ,
পাল্লিবা হৈনৌদো অতোপ্পা মশা অমদগী অমদা কবম্না লাপ্লগা
হেক্কদগে খত্তদে ঐ, মশা অমদগী অমদা চৎপদা
চাদনবা খুৎ নামনা অতোপ্পা উশা অমা পাময়গনি হায়বসু খত্তওমদ্রে ঐসে,
হৈনৌ অমা হেকপদা খুৎ অনী তিংথোক্লক্লজাংনি
উফৈদ তোংলগা উশাদা চৎপসু অপাকপা লৈপাক লৈমায়দা কোম্না
চৎপত্তুম অদুম হেক্তো ইকো কোম্না ইথৌ থৌশাদনা চৎপদা
চাপমদৌবা থজিক্তং তায়বনি,
খুৎশায়ফম খত্তদা, খোঙ থানবা উফৈ থিফম খত্তদবনা
উথক্তগী হাইথগে তৌবদা 'চিং' লাউখিদুনা লবায়বু শাৎলুবে ঐদি।
উচিন নাচিংগা কদাইদা কবম্না লাম্মুবনো খত্তদনা উশা অমদা পাম্নবমদুনা
লৈপাকমাক্ত মৌহৌদে, খোত্তসু উফৈ অমদা নেৎলম্মী।
হৈনৌ মনা মৎক্তা উনা খোইদ নাকুপ্পী
কুপশিক কুপশিক কুপ্পা কুপ্পা মহম্বুদি শাবম্বোই।
মহম শাবিবা উশাদু নিক্লুবমান্নে ঐদি
শাম্নবা হৈনৌ লাম্বদি ফংদ্রে, নিক্লবদি কেনজখিনি শনলুরা"
উনা খোই ময়াম পাইথোবক্লুনা ঐসে ওমশীন্দুনা চিকপবু
হাই হাই পুময়োম যোম্বনি।
ঐ জ্ঞানগা পুমমাক্ত মাত্তবনি, পুমমাক্ত মাত্ত, ঐ কদাইদনো লৈবিবসি নীংশিংদ্রে।
পুমকাউবুদি কাউদ্রে হৈনৌ হেক্কনি হায়বথাওবা নীংশিংলুদ্রে
ইং কান হায়নসু নম্নুদ্রে, খত্তবু খত্তপ্রত্না কৈনো অমা তৌদ্রে খুৎ অনীমক থাদোক
ফ্রং ফিংদ্র উথক্লুদা চোং, কুইম্মদুম তৌবক্লে — 'হো ইমা, হো ইমা ঐ শিবে
চা ইনা
ঐ শিবে, ঐ শিবে। অয়োইমা, অয়োইমা।
চঙম ফুনাম মাঙনা কোয়লাউ লাউ, কোয়লাউবুদি লাউ বাবা কপ্লেনে ঐসে উথক্লুদা,

ঐ জ্ঞান পুস্মাঙ মাঙখিবনি অশেংনা,
কপখি হায়ফাওবা খঙদবনি, চোংখি হায়বসু খঙদবনি।
মতমদুদদি খঙখিদে কবিসু কবি অমত্তসু উখিদে ঐ,
সোমদনা কবম তৌবি,
উগী উখাদুদা কবম তৌবি ইয়াম্নদুনা,
কোম্বংদা বাবী তৌবকই—
"হৈনৌ চাবা হায়য়ে, হৈ চানীংখগা পুস্মাঙ মাঙ,
পুমকাউ কাউম্রে, ঙসিগীসিবু ঐগী কবি দশানো
ইতৈমাহোয়না তাবক্লনা তৌবিসি উম্লবদি,
ঐবু কবিনি হায়খিদগে, নুংশা থীখিবনা লোইশ্রেদনা ঙাসদি
কবিনুংগীনে খঙখিদ্রে।"
উপক্লগী ঐসি তাবক্লবদি কবিগুম্বা, লৈপাক মৌথ্রিঙৈদা ওক্লনবা ঐবু
শোয়দুনা লৈবক্তাংনি মতপ্কি, তাবদি তাখিদ্রে ঐ,
মদুসু অঙকপ অমনি ঐদুগদা,
"হৈনৌগ চানীংখিদ্রে
কুমথবক্লো, কুমথবক্লো হেক্লবনু তোকও তোকও তোকওমি,
বীবেন, নঙ কুমথবক্লোসেন, নঙবু কুমথবক্লোমী
বীবেন, নঙবু মমুক্তদ কমথবকউ কৈদৌগে কুমথবকও,
সে বীবেন হায়সে যেংঙউ,"
য়াম্ন পাখংনা, য়াম্ন নুংশা থীনা
যাম্ন ঙাইঙমদনা তক্লদুনা লাউবনি
হৌনা লাউনা, কয়া লাউবসু নুংশা থীগুম তৌ
বাঙখবনি মহাকসু ওম্বোক্লা বাঙখিবনি।
উথক্লগী কুমথবক্লগা ঐখোয় অনী
খোঁইনা চীকখিয়ম যেংমিন্না হকচাংগী মফম শম্নদা
মায়মীং, খুদাঙ খোঙখুং, ভুবিক খুদিং মচেং অমত্রা
তাঙদনা চীকখিবগী মথম মথা পোম, ইঙাঙ উঙাঙ ঙাঙ,
চীকফমগী চীকফম ঙাক হকচাংগী মফম খুদিং,
ওম্বোক্লা নোক্লিংনা নোকখিবনি ঐখোয় অনীমক
পুক্লি শায়দুনা বাম্লৈ।
মসিগী মনুংঙাইসিসু ওম্বোকপগী মনুংঙাইনি
কবি কবম হায়বগা মতমদুদা ফাওখিবা থম্মোয় উথন লনবা

মনুংঙাই, ভোগভোগ্না মনুংঙাই, ডাকফম খঙদা মনুংঙাই,
তমফম খঙদ মনুংঙাই, হাযফম খঙদা মনুংঙাই,
ৰাহৈনা পীবা ভমদ মনুংঙাই
পুবিযু হাযফদ ৰাহৈনা পুবিযু মাদা মনুংঙাই
ৰাহৈ পীযু, ৰাহৈ পীযু, ইমা ৰাহৈ পীযু।

নুংশা থীনা নুংঙাইখিবা
কিঙ কিঙনা নুংঙাইখিবা
নীংশিং নীংশিংঙুব নুংঙাইখিবা
এভমদুদা নোকখিবদো—
ইচেনৌ চানি খনুবা খোইনবু চিঙনা হল্লকপা
নাপগা নোকখিদুনা হল্লকপা,
নুংশিত্রেদা থে ঐগী পুশি।
খনুবগা লৈকাইগী ইমাম্বদু
ভুসিদা অসুম অসুম নুংশিবকই।
নুংশিত্রে নুংশিত্রে নুংশিত্রেদা,
ওস্ত্রোক্লা নুংশিত্রে,
মগী ৰাখল পুকচেল
নুংশা থীখিবগী এওং।
নুংশিত্রে পুশিগী কুইম্ম নুংশিত্রে
মীলাগী ঐগী নুংশিখিবা মীশা
উজবে ভাসাদ পুশিগী ফজবা মফম
পুশিগী নাংশিবা মানংখি
পুশিগী নুংঙাইখিদা মনুংঙাই।

চাং হমা হযুম।

১৪

চাউবং মাওইশাক্কী
হন্দক এঙাও,
ঐগী পুশিগী নুংশিবা এমৈ ওইশিল্লকফাওবসিদা
১০ চংজোইকো ঐ মফম কনাইদসু

নুঙ্গাইরিবা মতম অমদা ইশৈ শকখি লেপ্তুনা,
ইথনীংজিনে অসুম্বক লেপ্তুনা,
মতম শাংনা নাবকপগী
থৈগী হকচাং পোলাংসিগী উবা হমদাং পুম্বা
তুম ইচা চাবমান্নে, নৈখাং চাবেদা,
ইথোত্ত অসি চুম্বা থাংদুনা চৎপসু ঙমদ্রে লোনখিবনা,
ইথুৎসু ইবা যাদ্রে, লেঙবা ওৎপা ঙমদবনা,
ময়েক অমত্তসু কোনবা ঙমদ্রে,
শীনক শীকশিন্নরক্রে, ইশীক ইশীক শীক,
থিন্দুমক্তা ঙাযত্রে মযেক মপোন খত্তখিদ্রে।
ইনীংবা অমা লৈবদা হি নেক্লববান ভৌবিসে,
অদুমক্তদা ইখিগেদা মর্থা থৈনা ভৌখিসে।
ইকলে হকচাং হায়,
ইকদ্রে যাইবী হায়,
মাইশিগা হকচাংগা চংনবা লৌবী লেপ্পীদা।
অঃ কনা ওইবিগনা লাকইদা সত্তা শাবিগোন।
নুংাল নু লবদা মকুল মশাং শাংগা নাইত কয়া কয়া
থৈত্রোন্দবী তো। মশা মত্তি ফজবা,
থৈত্রোন্দবী চেনবা তুংক্লা কয়া কয়,
চৎত্রে ওইবংশানসে লানেক্লনা থৈত্রোন্দবী হায়া,
খঙ্কদ্রবা মথাশিংদা লোয়দনা থৈনা হনবা ঙাবে।
মসিদু কবি কদম্ব শীলাংনা কনানো লাগ্নিবা'

ননাইনা অতেনবা চাংজবোই চার্যাক্তবা নৎচদে
থাক্তাবয়ু তশেংনা থৈগী ইমা, থৈবু লোকনীদে,
লাইবকচাউবী ইমাদে কবিগী মবাশানো খঙ্কদে
ওক্লোকলগী মবাশানি, চিংশাং খোইনবগী পুম্নমকইশিনা
মাগী খোইহী চেনবা বাশাল।
মবাইহ মখোংত্তম লাংলম থাগা খোইহীন হাইত ওইনা চেম্নকশিন।
থৈগী পুক্নিসদা লাগা পেংনা হনানা মাবু নুংশিত চায়বা
পেংনজবাক্লু অমুক্তসু,
অত্তকল মাগা ভোক হুশিংনা নুংজিনা মহায়ইন।

লোংজোম্বম গুনিনাথ।

ইত্তং তৎতনা লৈকাইগী মাগী থবক শুবীশিংনা
মাবু নুংশিনা পোন্নবা ঙাক্লনি,
অদুগা ঐখোয়দা থাবী হেক হেক তৌবিদো—
'নুংশিদা ইন্দোন তম্পাক্তো
মবুক ফত্ত্রবানদা মাগী মবুক্তো
ওক্সোক্রা নুংশিত্রেদা নুশিদো।
কৈদা অমগী নুশানিনে মদো
নত্তবুদি ওক্সোক্রা লুনা তৌজক্তবনি, ওক্সোক্রা নুংশিজক্তবনি।
মি ত্রোন্দা শীজবগী হালেংদবনি,
অতাওবা অমতং লৈবদা, ঙাবু থোংঙবা
মালা চানটিত্ত চত্তলুববদি ঐখোয়না,
ফত্তুন্দগী ফুক তৌগৎলগা মখুৎ ওয়না
ঐখোয়সে তাপ পায়দুনা চিংশান্নগা শীজগদবনি,
মগা পৈন্টৌবত্রা লেইহৌদ্রত্রা হান্নগা যেংবীপোৎতে
হেক হেক নাংশাংই, কাউবা য়াদে ইন্দোনসে।
নত্তসে নুংশিনা লুনা তৌবা হায়বু স্বর্গদগী তাবকসি ঙায়,
ওক্সোক্রা নুংশিজত্তজাংনি
নুমিৎচুপ্পগী 'নুশামচা নুশামচা'দা মতমবনি।
নত্ত'স মাগীদি মথায়মক্তি মথায়মক,
মীনগীদি লোকই য়াক্তাং নতে,
মনা চংজেনবা বাইগনবীসিত্তাই,
মেখ্ণ লাউবদা হেক্তো পাইথোবক্তদবনি।
ঐখোয় ময়াম থবক অসুম শুমিন্নবন্নসে,
নত্ত হেক লাকপনা থবক্তু থাদোক্তুনা নমা নচা কেনদুনা লৈখিদৌনি।
নত্তগী 'নংত্ত ইদ' থাজক্তবনি ইন্দোন্দা
নত্তনা নুংশিদা অমা কেখোকচবিবা নমা নচা কেনদবদু
ঐখোয় মাম্ম কুনইহৌদৌনা যেংইনবে
মনুংগী কুইদ কুইশাক্তগা
ঐখোয়না ৩ থাবাবনি—
নুংশিত্রেদ নমা মাগী কেনবদি খং হৌকওনা।
নত্তনাস যেখত্তুই থবক শুবা য়াক্রেম

মতম থেঙজিনব্রে থবক লোইবা নংহৌদতাবেমি।
মদুদতা নঙ চংলো মতম আ যৌগ্রে,
নুমিৎ তাখিবনা হানখি তাবে লোইহৌদ্দুনা তোক্লবনি,
মসিনি ঐ।
ঐগীদি অমুক্তা অচাপোৎ ৱাংপা যাবা নত্তেদো,
ৱাংতনবা মখল মখল লৈবকইবনিদো কৈথেলবু কুম্লকপদা ইমানা
চু তাঙ্কক, লাল্লু, ভল শামু, চিনি চম্ফু, লৈবাকহৱাই হৈঙান,
লৈবাকহৱাইগা চিনিগা তোংলগা শাবা লদু,
থৌজিক্কী বেশন্না শাবসি নত্তেকো,
হাউবসু যাম্না হাউই, হায়নীংঙাই লৈতখে হাউই,
চমু, লেম্ফু, থাঙতুপ, থবো মবী, থমচেৎ, হৈবী, হৈবীৎ, হৈয়াই,
কমলা, মঙ্গ্রা মথেল মথেলনি, মখল মখলনি য়ায়থুফাওবা য়াওবনি,
হৈনৌ পাম্বান হৈনৌ হৈজাও, শবিকহৈনৌ, হৈনৌ শাবিবী,
কিহোম্ পাম্বানা, অদোবা মতমদদি কিহোমদি পঙচাউ চাউদবা
অশীকপা মী অমনা মতোমতনা মপুম অমগদি ইবাই লাই চাবা ভর্মশিংদো
তনান মচা অমদী কাম্বদ শীকথাবু লৈদুনা লৈবগা থর্মিন,
অদো মী অমতুনা চাকদা য়াবা নত্তে ঐনসু যাদে, ইমানা শীজদে কনাদসু,
ইচেং অনীমু যাওবা শীজদে ইমানা মখোয়নসু চাদে, চাগেবু তায়দে লোংমতা।
মতুকপদা অতুকপা, উটুইবা থেংং টৌবতনা কাজনি,
নতুৰ্দশংনদ ঐদ তোা পঙতয় হাৰ্ভজনবোই নীংগালদ্রে, নীংগলদ।
অলেংনদি অলেংবা হ বীশনকো তলেংনা থোকখিবা
মদুগা য়েঙ্গাংদসু মখল কায়মকম চাবীবমদেদো ঐনা
থাজেন অমশংবা, লোইমুং, হবাইজাব, পাঙন থামুন, পুটিম, লোক্কি
মাইশল, থোংচাক ফাওবা অদি অদিবা মকদি নমথী খায় হায়না চাবীগোংহে।
হাদসু মদুমঙাক - হমু তাক্রা নরো ঙাখা হমহায় খাজং অকংবা হায়েন্ম
চাবিদ্রেদেনে চাবিবমদে খায় মুই
থোংজনবদা থাাওল মুমু লাউই নু ভুইরে হায়দুনা
মাইহ থুসু মক শক্তিকো শাওবদা চবীংশোংহেতেন ঐন
থম্বদগদ লোক্কীংগু শৌর্জিক ইশাগী লৈশানা লৈবগা চংশসমদি
লোইনা চাগে, চাদবা অমহু লৈাহ মতমদগী হাই হকশংদ থোইনা হাইরে
চাগেদা হাদে, হমশদবা মঙ্গাদে।
চিলহাই থবম্বা মমামদো শৌর্জিক চিলহাই থবা হায়দে

চাকা ফাংশনেবোর্ড্র কিবক্তে।

চন্দ্রি ওয়া চমুন।

৩৪ চংশোটিকে ঐ এফাল কদাউদম

ཕན་ཡོན་ཀུན་

চৎলোইকো ঐ মফম কদাইদসু

হে মণিপুর,
লৈশেমগী শেংলবা লোইনাইদ্রবা খোঙচৎসিদা
নঙগী নখাদা হৌবা
উ রা ইগী যুমজাউসে ঐগী
মখানুংদা নঙগী
শংজুনা পুমদুনা মলক উখিদ্রবসু,
ঐদি অতোপ্পা মফম কদাইদসু চৎলোইকো।
ঐদি অতোপ্পা মফম কদাইদসু চৎলোইকো।।
মঙগী নতম্বাক্তা অমুক হন্নক,
চীংনুংদগী লোকনুংদগী লৈহাও চেম্নবা
চীংগী লৈনাঙ পুবা,
ইঙা ইঙেনগী অথাক অবাও লোয়নবা
কুমগী নোংজুগী রা রা খোঞ্জেল্লক্তা
ইম্ফাল তুরেলগী ইরিল তুরেলগী, কোংবা তুরেলগী
অরলোক্কী, লুরাংগী নম্বুল তুরেলগী,
থৌবাল তুরেল, শেকমাই তুরেল চকপা তুরেল
খুগা তুরেল, ইরঙ তুরেল, মাকলঙ তুরেল,
তুরেল তুরেলশিংগী মথুক থাদা
শাথবকপা ইশোম নাইনা,
লৌবি লৌবি শাগা
শাফু কনা চেম্বরক্লিবা ইচেলদা
লোইরোম সনাফৌ ওইনা
ঙাঙঙাম ঙামঙাম
ফেং ফেং হাইনা খাঙদুনা
হৌবনিদো হয়েং ঐনা শিবগা।
হৌবনিদো হয়েং ঐনা শিবগা।।

মণিপুর,
নঙগী অশংবা অতিয়া মকোয়দা
পাইদুনা শান্নগনি ঐনা উচেক মচা মচা ওই,
শেন্দ্রাং ওই, শেকপী মচা ওই,
শেন্দ্রাং ওইনা যুম যুমগী
শাইজিন শাইজিন্দা,
লমতা থাংজ অহানবদা শবোই খাঙলগা
ঙামুনা উশিন তৌগনি।
লমতা থাগী থামৈদা
হৈখা মপাল ওই, মালহৈ মপাল ওই
ইঙৌ ইঙৌ ঙৌ শাংকনি ঐনা
ইংখোলগী মতাই মতাইদা।
শজিবু থানা লাকপগা
লোক্রে পুক্রে কম্বোং ওই
ঐনা যাইপলবু ওই, লৈশাং তমগনি
চীংমায় চীংমায় থন,
লৈথি লৈশং ওই, কুশুমলৈবু ওই
কোম্বীবেবু ওইনা
হৈথি হৈয়াই হৈখা হৈতুপ মালহৈ ওই
লাইয়িংখৌ সনামহী
ইমা লৈমরেল সিদবীদা
অথেন পোৎশু কাদুনা
অনৌবা চহী হৌগনি।
অনৌবা চহী হৌগনি॥
শজিবু চৈরাকওবগী যুমথোঙ যুমথোঙদা
থোঙ্গান থোঙ্গান্দা
চাক থাদুনা মথেল লুকোই কংলগা
নুংথিল ঐহাকসু কাকগনি চৈরাওচীং
মকপ মপাংশিংগা, অন্তাঙশিংগা।

হে মণিপুর,
ঐ কদাইদসু চংলোইকো নঙবু থাদোক্তুনা থক

ঐ [illegible] অমুক [illegible]

[illegible]

[illegible] ঐনা [illegible] অমুক

[illegible] ঐহাক,

[illegible] ঐ [illegible]।

[illegible]

[illegible],

[illegible],

[illegible]

[illegible]

[illegible] ঐ,

[illegible] ঐহাক [illegible]

[illegible]।

[illegible] ঐনা

[illegible] -

[illegible],

[illegible]

[illegible]

[illegible] ঐনা।

[illegible]

[illegible] ঐ [illegible]

[illegible] ঐ [illegible]

[illegible] ঐ,

[illegible],

[illegible]

[illegible]

[illegible] ঐনা

[illegible]

নোংপোক তেংথা

লাই নামুংবা, খন্নোং পাখং নহাবা,
খন্নোং নোংপোক নিংথৌ কাইসৈ চিংশোম্বা,
লাইমিংথৌ অস্তৌ পানবা,
নোংপোক লৈরেম্বৌ চিং
শেম্বোই লংমাই চিং,
নোংদোন শক্লা বাংবা চিং,
চিংনাং নাপল লোম্বা চিং
[illegible] চিং, [illegible] চিং,
[illegible] সনা লুপা [illegible] চিং,
[illegible] চিং,
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

ইনৌ ইনৌদি নৌ, হানৌনদি লেঙ লেঙ,
মালংনদি কোইচেন চেন,
য়েংবদবুদি শাইমা শিবুকপুদি ছুরেলা যে।
অহাঙ অশাং অতিয়ানা ইতাম ইতাদুদি ভাম
লশিং মকোনগী লৈচিলনদি মতুপ মতুপ ইঙৌ ইঙৌ ঙৌ,
মরক মরক্তা নোংদি হাইকেং চঙ, মুরেনবা লৈচিলনদি কেন
লোইখম নাইদা মিয়েং য়াংমদি লান,
শন্দোকত্রিবা নোংদোন্দা
লমগী চেক্লাদি মৈপুংবী, শাগল তুকাংদি চাউখপ খপ,
ভাম্না ভাম্না, উইথ উইথা, কোয়না কোয়নদি শাইরিবা
চীংনুংগী হারিনদি নিংনিংনিং, থনুংবুদি হংনা ইংনা চিক,
চীংশাং নায়েখোননা ভাম্না ভাম্নদি অত্রিবা,
নুমিৎনদি চীংয়া শকপদা, তময়ানদি কোরি চেনবদা
মশাল নাইদা অশাং অতিয়া ভাম্না ভাম্নদি উত্রিবা,
অসুম অসুম য়েংলা য়েংলা অসুম অসুম নৌখরক,
খোমবুদি নৌবা হেল্লক ইনৌ ইনৌদি নৌ,
থম্মোয়দি নুংশি নুংঙন খোক ঙন,
নীংশিংলকই ঙহান মশোক
চীংথু লাইগী লাংঙন য়ায়ী,
শাইরমলেনগীদি মশানৌ নুংশিবী
য়োইবুদি খোইমোম লাইয়েন্মা,
নোংথাঙলৈমগীদি লাইঙন লাইচং ওইবী,
নীংশিং নীংশিং মদোম হিক্লা তেংথারকই
হিকহৈনবা খোঙেলদি খোক—
"হাদা মীগী অলোইদি নুংশিবী
ঙাংয়েক চনুদি চঙখোনবী ভম্ফাদি য়াঙল্লোন
শাম্বা কৈরেন কৈজাউবুদি তোংবী ও
থিক্লোই মশালথক লাজোই থুরুপ থৌবদি
লাজোই খোজুলবুদি ভাদবী,
খজোলবুদি খোঙনেংনবী, মালংবুদি চৈরোয়নবী,
নোং চুপা শাইচোংশী, নুংশা শাদা কৌকংবী,
ভম্ফা কোয়ৌদি অয়াংবী, মালেম লৈবুদি লূপী,

হাদা নুবাবী,
মীগী তালোইদি পাম্মুবী,
ইশানৌ নঙবু নুংশিবী
কবিনুংগীদি নীংশিংলকইবা,
কবিনুংগীদি নীংশিংলকইবা,
কবিনুংগীদি উকপা
কবিনুংগীদি থেংনকপা
ঐগী থনুংগী ঐসে
অহিং শোয়বা তূম্বা যাদেদো।
চেংলৌ শক্তোয়বুদি হেনবী মায়খোঙ থম্বালদি
পাইমা ঐগী নুংচঙবীবু থোক্লবেদো,
পাইমা ঐগী শিবুক্তি হূখিবা,
শিংবিবোইদ্রা হা শিংবিবোইদ্রা দে '
নুবা নঙনদি নমু তাইবং লাওন্দা পোক্লবগীবু
তাইবং চিঙ্গাক্তি চা,
তাইবং লিচংতি চংপগী হৌনশা,
মী ওইপোক্কী তবম খোইনুচাদি মর্তক মঙাল নাইবদা
শাগৈ শিবাবেল মকাইফম
খাবা শোকক্লোম্বা
কংলৈ নিংথৌ লৈমাবে এশাইগোন্দা
তাউজিং তৈবাঙদি তৈপোং তম
শীজ্রেন লৈরাংদি লৈপোং তম,
চাম্মা চাম্মনদি খুজিংবুদি ওই,
কাউক্কা নমলবুদি ওই,
হৈজিং খবাইবুদি পু,
লুহোং খোংদোং তাইবং মৃত্যালবুদি তম্বদা হোয়য়াম্বুবী নত্তাক্লদো।
হাদা ইবেম্মা মীগীবুদি ওইত্রবী,
কবম্মা নঙগী মীবম্রেনগী নকাইফম্বাদ কাযতল্লসিংগ ঐতাক্লা '
অভোম্বা শাগেগী মৌ লৈমবুদি ওইত্রবী,
মবাল লৈতবে মকাদবু
কবম্মা লোইবক্ত শীংখোঙবুদি শার্বসিগে খাবা এগীবু '
চীংক্ত খোয়ুম লাই ঐখোয়গী শীচংকা

তাইবং মীওই পোং ওইবগী লীচংকনি মাক্তেনে হৌবেন্দা,
তাইবং মীওইপোক্কী লীচংতি চুমম্রিংবুদি চংপদি যাদেদো
পাক কন্না কন্না থৈনা কোইনদি চংকনিদো হৌবেন্দা,
হেনক মপোকসিদদি ঐনা তাইবং মীওইপোক্তবুদি পেছুকনা
হাদা নুরাবী নত্তবু নুংশিবী, লাইবক থীবা ঐগী ওইনীংজবুদি
হুক্রা হৈরোলবুদি-লঙ্ঘনবনিবু থাম্লিদো।
নমু পোং মরকসিদদি খোইমুম লাইগী মপোক্তবুদি নংত্রবনিমা
নমু পোং ওইনদি লাংওনবী মত্তবু
ঐগী ওইনা ওইনবুদি ঐগীমত্তবুদি ওইহ্রেদো।
মীগী মকাইক্কমদবুদি ওং
থাবা মাগী তালোইদ্ হুইনবুদি তম,
কত্তুং কিগী থাখুম্বুদি হাং,
চয়ে কিদোনবুদি কাণ্ড,
থৈবা তাক্লিনদি খোং
ওকথী লুপ্লাংদি কোন
চেক্লাওম্মদি চিন্দিম্না
পোশ্বীওম্মদি চিনলোক্লা
নুংশিদি চিন্চুপ্না
শম্লাং তোনগদি নান, অহিংদি চাক্তামিম্নরমগনিদো।
নুংশি দিথৌবুদি লাংজা, চীংজাউ খোইমু ঐহাক্তি
কম্নকইদা কম্নকইদে।
চিনবান ঐগী হুক হুকপুদি কং,
থৌগংলবা চবমশিদা
নত্তগী হ্নাংলৈদি অম্নাকপা, হাউদৈদি অপুম্বা,
মরীক অমতংবু খিকথখিনবা
কনা নৈতা নাইতোম তারা ঐহাক্তি
অহিং কম্না কম্নাদি
ঐগী মরাইন্বক্তি থীরবা
ফমুং ফমজাউদি তইং তইং তইংবদবুদি
চিনিলদি যাওদা ইদোমদি থয়ো ওন,
ওম্বোক্লা বানদি তুমদা হিগ্রা খাওজরিয়ে মৈচাকসে, খাওজরিয়ে দে।
তাইবং মীওইপোকসিদদি

নখয়েদেন মাঙলি নশাবী
থাবা শোকত্রোদ্রা কনৌ নিংথৌ লৈমাবে মপাল্লিদি
অরম খোইনুচানিদো,
মসি খঙনা নত্তে খঙজিনে।
ঙসান নোং লাংযৈ পৃংদি তুরেম্পা
নুম্নাবী নঙনা ঈক পাদেং
ইকুনাবী শান্নরিবে
মালং ফিজেংনবী লৈরাং লৈকাদি মিংথিংনু,
নথুং ঐগী পুল্লাংদি কাযখিবা,
পুল্লাং মচেত্তি খোমজিল্লা, থাদা চেজেং কোনশিল্লা,
তিল্লাংবুদি থকযোংনজা
ইমিত্তি চেজেং উইশিল্লা
চোংলিবা মিহুন্দি চনীংবু তানদি কাথজা,
অয়াঙ খোঙলৈবু থুনবুদি থাংজা
ইবানয়াইদা ভরবুদি হোৎচরকইদা দে।
অসুম্নবু থম্মোয় ঐগী নুংদবুদি চৈথল অসিমবুদি খঙ্গরিয়ে ইদোম,
মীরম্নেনগীদি ওইনবু
হন্দক মপোকসিমগী।
মদুমক নংহ্রিক্রমম্রবদি
খোমুম লাইগী লীচংকা
নমু পোংগী চংনবোলগবুদি খোমবগী মতিক
নুজা নঙবু ওক্তশিংদদি চনবিখিনিদো,
চংনবী বাংমা লানবীনি,
লমকেংশীনি লমহাইবীনি পাউখোকপিখিনিদো।
মমিং মাম্নীনি, শোইখোঙবুদি তাইথেংনবী, লমলকপুদি নুথুম্নবী
খোঙথাবনা পান্নবীনি, লমচং নাইদবীনি কল্লপ পোল্লা
মচিন পোল্লা চৈথিখিনিদো ইবেম্মা নঙবু,
অসি মাগী ফিজখিবনা ঐহাকসে
নুংশি নুংশিকদেদো, পাম্মুই পাম্মুকদেদো।
অপাম মৈবাবুদি চিং, মৈশাবুদি লাং,
নুংশি মৈনদি চাক্লা চাক্লা কাথোক
থানা থানা নোংমঙ্গরগে ঐহাক্তি

মপোক ঐগী নোংদম থীবনা।
নুংশি ইচেম্নদি ইরে কন, শাকুনদি কন,
ঙাওনা কৈনা চেঙ্গরক,
অপাম মৈচাক্লদি লাউনা খোংনদি চাকশিন্নক,
ইকাই ইকিদি বাংমা লান,
মীমাঙ পোমাঙদি নাহন্দা,
নুজা মাইকৈদি ভম্না ভাম্নবুদি মোংজা,
ওম্বোক্লা বানবুদি থৌরাংনা
নুরাবী নঙবু ঙাইজবিয়ে, হাদা ঙাইজরিয়ে দে।
লাইজনা থল্লম্বা চীংনুংগীদি লোকচাউসে,
মীওইংপোক্কী চংনলোনচংকী কাহংলবা নুংশানবুদি য়েবদা
ক্লকপাদি কংখিদুনা ঙসিদি লাইক্তা লৈতা ইকং শাংপুদি ওইবেদো।
অদুম অদুম ওইনমক,
লৈক্রক চংলা ঐগী পুক্লীং পুম্নিসিদদি শাংলিনে
খম্মোয় ঐগী থম্বাল লৈবোল অমবুদি য়েম্নীংথাগীদি মাকোম্নসিদা,
লৈইনা নীকনীক চোন,
লৈবিক্লা য়োম্বা থম্বাল লৈয়োম্দো
হেকচদুনা শাঙেনবুদি শেংথজা, লৈবাংবুদি খায়থজা,
খোইবুং শাবা লৈবাং লৈয়োন
লৈবাং লৈবক লৈচাবুদি খায়না খায়না
মোমা মোমা, বায়না বায়না
শাখংগী থুংশালিংনদি ইশা ইশাংবুদি শাং
ইতুম ইতুম্বুদি তুম
মামং মনানদি ইশিং ইশিংবুদি শিং
মবেং মবেংবুদি চং,
হৈবীলোক্তা হৈবী হৈক হৈখোঙবুদি লোম
ঙাক্ল্পুবুদি উবু কানদি
উতোনবুদি লোমদববা, হা লোমদববা দে"
থবেইনবুদি মাচকপা
চকখোজনা চকপবু
শকবুদি ফংদবরা, হা ফংদবরা দে।
নুরাগী থোংনা মোয়াদি তনৌ তনৌ তবা তবাববা চিনবান্দুনা ইংনা ইংনা তম্না তম্না

যোংবুনি হনল নাপেরানি পীক্রা পীক্রা, খেংলি খেংলিনি চেংলি চেংলি পেক্লকপা,
নুংশী চিনবানি থক খা অনীমক
পাখং ঐনা যৌবোক্লনি খরা উৎশিল্লা,
চিনিতন্থা চৈনমশী নিংশাদো নুংশী
খনুং যৌনা মখোল খোক্লল খবায় পেম্না
অহৈ পাকলাথে পুখোক চুপ,
খবায় ঘিরেনদি মচেং মচেং অমত্তা খক্লমদা লোইহনা তক্লা চিংখোয়ক,
খবায় মাওত্রা হাওনা হৃকসং লোলাংদি শত্রাক তা,
পুমহাও হাওনা পুমহো হোয় খোইহনাওমমদি হৃৎপেক্লম,
খোইচক পুবা খোইপী ওন অমত্তা চিখদা লোইহননি পাইখিওম
নুংশী নওশী মাইবীনদি চেক্লপী শাপন ভুকাং ওয়শী নামদি ওই,
পাখং ঐশী মাইবীনদি চেক্লপী শাপন ভুকাং য়েংকী নামদি ওই,
মাইবী অনীনা অমত্তবুদি ওই, খবায় পোশীদি ওই,
মত্তালশী মঙাল তাক, পুমত্তালদি তাল,
শনখরিবা অরোইহ অখমদি নৈত্ত, মশক মচু নৈত্তা,
অহিং নুংখিলদি খায়দা, মওং মতৌ নাইহনা
মাসু সুংঙাও ঙাওদা ইপুরোৎপী
মশান নাইহনা ইবানথাইহনুনা নৈজনীং অমুক হন খবায়শিনা
করি কন্থরা মিংকুপ পুংজাদা শাইমিয়জপবা,
ওয়েক্লা মানদি ভাইজরিয়ে খৌরাওনা, হাদা ভাইজরিয়ে দে
হাদা নোংদম খীবা শোক্লা চিংতু ঐশী ইশোক লাংওয়িদা ও দে।
মীংনু লাইহজদি পিয়াং খকমা তা, ভেংথাজে, ভেংথাজেয়ে দে।

হয়ি হয়িদি শোক্লা
খবায় মিরেনদি হামপোইবা,
নুংঙাই মাইবীদি মমাও কায়,
কোনশিজেয়ে, কোনশিজেয়ে দে।

হয়ি হয়া হয়ুম।

নুমিৎসিনা থেঙজিন্নকপসিদা

হে পম্খৌ অপোকপা
হৃদক্কী তীর্থ যাত্রাসিগী হৈংহাক পল্লিখিঙেসিদা
নঙগীদা লৈরিবা ঐদুগা
অমুক্তা উনজগে হায়দুনা
লাকচবনি ঐহাক,
অদুবু,
উনবা ফংদনা হল্লগল্লা
ঐবু অসুম অমুক,
নুমিৎসিনা থেঙজিন্নক্রবসিদদি
নুংথিল মমৈ অসুম ওইশিন্নক্রবসিদদি
নুংশা থীবক্কে ঐহাক
হৌজিক্কি।
কৈরোইদ্রৈ লৈকায়গী অখণ্ড-অচৈ
অহল-লমন হান্না লৈবল্লবশিংনা তাকশিন্দুনা
তাজবদগী খণ্ডবদি ওমজববনি
ঐগী বাখলনদি
নঙগীদা ঐ লৈ হায়বসে,
অদুবু.
থেংনবদি অমুক্তা থেংনজত্রি
উনবদি অমুক্তসু উনজত্রি
ঐ ঈশানদি হককথেংননা।
অদুনা
উনজনীংবনি হকথেংননা
হৃদক লাক্লিখিঙেসিদা।
থেংনজনীংবনি ঈশামক্তা
হৌজিক লৈবিখিঙেসিদা
নুমিৎসিনা তাত্রিখিঙেসিদা।
নুমিৎসিনা তাত্রবদি

ঐহাক হলখিবা তমনি।
মসিমনি ঐগী থবাত মিয়েলসিনা লৈতাকপ থঙগ্লিবা,
মসিমনি ঐগী থমুং বায়েসিনা
মৈরী খোক ওল্লা চঙ্কিবা।

অদুগা হে ইপা ইবুংঙো,
ঐগীদা লৈরিবা নঙণসু
অমুক্তসু উনজগ্নি,
অমুক্তসু থেংনজগ্নি
ঙসি ফাওবা,
পাউনিলখোলদা মঙায়েবি তাজরিবা
হৌজিক ফাওবদা।
নুমিৎনা অসুক য়াম্না থেঙজিন্নরক্লবসি ফাওবা
নঙগা ঐগা তোখায় তোখায়
লেপ্লুনা লৈরিঙো তোপ্পা তোপ্পা,
হৌজিক,
নুংখিল মমৈ ওইশিন্নরক্লবসি ফাওবা।
থশ্মোয় মৈচাকসি চাক্লা চাক্লা
হনবদা মতাংদ্রা হন্দকমুকসু অমুক?
অদুগা
হন্নুবগা,
অমুকসু লাকখিবা তারিব্রনে
ঐবু
মফমসিদা অমুক
উননবা,
থেংননবা
নঙগা ঐগা
হকথেংননা
অমত্তা ওইখিনবা?

সেপ্টেম্বর ২৩, ২০০৬

ঐখোয়গী অশেংবা ইমাদি মালেম লৈমনি

থৌদু নুংগী অচৌবা গল্লা অমদা লৈপুং তাবং,
সনাখোংনাং অমা ঐগী শুমাঙগী
তুলশিবুংদা থাজয়দুনা,
ঈশিং চাইবী নুমিং থুদিং ঐনা।
লমদাগী য়েম্লীংথাদা
নাপু পাবা কংলবা উনাশিং
ক্রে ক্রে হাইবি মালঙদা,
লোয়ননা খঙহৌদনা ঐগী মিত্ল
তিং তিং চোংলকই,
মাসিনা করি হায়রিবা?
শারবা শক্তিখুগী নুংশাদা
উনাশিং কংশিন কংশিন মৈশা থাঙজিবা উবগা
ঐহাক চবম ত্রুক ত্রুক কংশিন
ঈশিং থৌরাংবা থংপোক পোক্লকই।

ঐগী মীংশ্রা অনীদা
তক তক, তশেং তশেং
মালেম লৈমনা,
ঐবু পোকপী পলেমগী শক্তম লৌ,
অসুম অসুম চঙশিল্লকই, অসুম অসুম,
করিগুম্বা থরা হায়নীংগুম
মোমোন মোমোন, মচীন অদু খোইকম খোইকম খোইশা
লেংলি লেংলি, কাংলপ কাংলপ, য়েংলকই ঐঙোন্দা
মুনা মুনা নুংশনা, দাম্ম নুংশিনা,
অদুগীদি মশক উদবা
ইমা অমত্তনা পোকশিবা ইরি ইতাগী মথীনা
ডেংনা পুনাশনাথবগুম খঙহৌদনা ফাওবকই থরাযদা।
খঙহৌদে ঐগী থনুংগী মীংসিদা ফাওবকই শক্তম

ইমা লৈপাক্লৈমগী শিরোমনুংদা
ঐখোয় পুন্নসে নাউপুরি;
ভগবান কৃষ্ণগী মানুংদো লৈরম্বা বিশ্বজগৎকী শক্তমগুম।
মসিবু উজবদা ঐহাক, নুংঙাইবনা লুতোন শাংলি,
মতম্বা ভাইবং খংঙাল ঙাম্নোক
পুমঙাল ঙাম্নোরকই ঐগী মীংলম খুদিং।
নুংশিবগী মপান নাইদা ঈরেল অমদা
ঐহাকসে অসুম অসুম লুপশিনখিবগুম ভৌরকই।
অদুবু, মসিবু চুম্রিত্রা হায়বদুদি
ঐ হায়বা ঙমজদে।
অদু ওইদুনসু, মাম্না ময়েক শেংনা উরি মসিমদি
হৈ লৈ, ঙ রা, শা ঙা, উচেক মাযা, তীল কাঙ,
উরি খুদিং ঐখোয় পুন্নসে লৈপাকলৈমা ইমাইবেম্মগী শিরুক্লুংগী
নাম্না ঙাক্তনি, ইমা অমত্তনা শোকপা ইচিন ইনাওমক্তনি,
হেয়া কননিন, হেয়া হেয়া ময়েক অসুম শেংলকই —
ইমা লৈপাকলৈমগী শিরোমনুংদা
মৃৎনাইদবা মৈবীবেল মৈবী মেথোইবা চাক্লুনা অসুম্বক লৈবিদো,
মৈবীসে ফজদে ফজ ফজথোইনি,
লংত্রিক লং কোবি চেন
ঙাঙদা ঙাঙনা ওঙাঙ ওঙাঙ,
ঙাঙলং ঙাঙ, মশেক মঙালনা পুমঙাল ঙাল,
অমম্বা মচেং লৈতেদো মাংলেম ইমাগী নাউপুক্কোলসে।
মৈথক্লুদা চাউদে চাউবা চাউথোইবা,
হেনদে হেনবা হেম্বোইবা, থোইদে থোইবা থোইথোইবা
কোম্ফুলিদি কোম্ফুবেন.
মাঙনাইদ্রবা শাঙল শৌদোক্লুনা নীক নীক হেক্ক লাউ,
হাথদুনতা লৈরিদো মহীবেন,
শিনাইদবা থবায় মিরেল মবীক মবীক মকুপ মকুপ পু,
নামিবা নুংশিংনা তইং তইং,
লিক্লানা ইচোং চোং
মকা লাম্না, মরাঙ কাথনা মোল্লারি মফম খুদিং।
অদুগীদি,

মরুদগী মতোন মতোনদগী মরোল, মরোলদগী মউ, মউদগী মাশা
মাশাদগী মনা, মনাদগী মশাল, মশালদগী মহৈ
মহৈদগী মরু,
ইমা মালেম লৈমগী নাউশুকোন্দা অমুক হন;
মৈথীরেলদা শৌদোক্লরি অমুক মহীরেল ওই,
অদুদগী পাম্বদুনতা চেহরি থক্লাইহ্রবা ঈপুং ওই।
খোঙচৎ অমা লোইবদা মালেম অমুক তেক তেক,
নৌগা নৌ, লেঙ লেঙ চৎ, শাংগনি ইশাং ইশাং শাং,
মচু মচুগী মীংথক্লা ঈথক হৌরা কুম্মৈগী সনা কিগে খোনগনি
ইমা মালেম লৈমনা,
চাইথবক্তুনা হেক খুবাম খুবাম, খুং অনী থা
পাম্মু খঙদবে মরীক অমত্তা থাকহৌদা
মকম খুদিং ইথন থন।
অসুম্না লৈশেম্লগী শেংলবা লোইনাইদবা
খোঙচৎকী লম্বীসিদা হকং হন্দা চৎকনি ঐখোয় পুম্না
কয়ারক হন।

কন্দে কনবা পাজলবেল পাজলবা, নঙগী কুম্মৈসে
উবা ফংজবদা ননাইবু
অসুম অসুম ফজনবা পুমযোম যোমশিল্লকইনে
হে থবামগীদি মশুবেল।

হায়কম খঙদবে নুংঙাইবগী ঈশেতা ওংদুনতা লৈবিবা
নুংশিবগী ঈশাক ঈবেলনুংদুদা লৈখা ফংদা লুরবা
পুমলুপ লুপশিনবিবোনে ননাইবু, অমুক হন্দোকপিদনা
হয়ি হয়া হয়ুম।

খোমথুম্নরবা নুংশি মীকৌ অমা

তারক্তি,
খোমথুম্লনা নুংশিরবা খোঙ্জেল অমনা
কৌরক্তি ঐখু মাইকৈ খঙদা মায়কৈদনগী,
তোয়না তোয়না লেপ্পা লৈতা,
হন্না হন্না
খেঙলবা অহিংগী তাংলৌদা,
ইঙা ইঙেলগী অথাক অরাওগা লোইয়িন্নরিবা
যুমথক্কী ফিজদা হয়থরিবা মখোঙ কুংনা
কুমগী নোংজুগী বা বা খোঙ্জেলক্তা।

অশিবা হায়বদুনন্না কৌরিবসিবু
মকম খঙদা থাপ্পা তাপ্পা লমদমদগী?
নংত্রগা,
পুরক্লিত্রা খঙদে নুজা কনাগী মথঙলেন
কায়নখিবগী খাঙঙমন্নবা থম্মোয় মৈচাক্কী থৌগৎলবা তেংথাখোল।

ওহোক্লা পুক্লিং হুপ্রেদা।
তত্তনা তারক্তি তোয়না তোয়না
লেপ্পা নাইদা
ঐগী চিক্লা নাইডোম তান্না থবায়সিনা
হন্না হন্না মায়কৈ খঙদা।
নুংথিলগী কৈথেল ওমথংনরকপগী মীনিল
ফাওদোক্লনা লাক্তি মশেল মরাম
খোঙ্জেল খোঙ্জেল, মরোল খঙদা
নুংশি মীকৌ অমনা
মৈ হয়নরবা কালেনগী শান্না নুমিৎযুং মতমগী
অহাঙবা অচিকপদা তান্না থাপ্পা
মকম খঙদা মকমদগী কৌরক্তি,

থোংখিবা অদুগে কবো মায়কৈ তম্না
নুংশি চৌবৌলাংখিবা অমেগুবা অহিংগী খন্নগী
তৌপ্রিগী রুকৃপা।

নুংশিরবা মীকোৌসিনা
কৌথোক্লে ঐগী নাইতোম তাম্রা থবায় মিরেলসে,
অদুগা, থোয়থুম্ররবা থোক্তেল অসিনা
ঐগী হকচাং অমদি থম্মোয় অনীমক কাওজিনখিদুনা
ঐগী শিংশিজা চেপ্লিবা ই মরীক মরীক
খুদিংবু কবিগী অসুক লৈতাহন্ত্রিবা?
তাজেনে ঐনা মথোল থোক্তা ইপোম লাংনা চেম্বুরিবা
ঙগী চচেলগী ঈরাওথোনসিমসু।
অদুগা
প্রলয়গী নোংলৈ নুংশিংনা
উমং কয়াগী উজাও উজাওশিংবু
মক ফুক্লা নৈথেক্রসুগা শিংলক্রিবা
শিবগী মপাউ পুবা, মাদি সুংগাও গাওদা
কল্লবা শহম অমনা হুমদেক্লুনা পুবিবি
লৈতাম্রবা, পোম্থাম্রবা, থৌগংলবা ঐগী
থবায় মিবেলসে,
মগুলান লীশিং লীশিংগী ঈথং ঈথংশিংদা,
চীংয়াদা, তময়াদা, লোক্তা তাইপা, পাংতা লমহাংদা,
য়েম্নীংথাগী লৈবাংনা থল্লা ফুগায়না শাংতুনতা
লৈখিবা লৈকোল লৈকোলশিংদা,
ফাইরেল থাগী হজাম মপালগী
ঈথক হৌনা মীংয়েং মাংমা লাম্না শন্দোকত্রিবা
অথেনবা ঈচেলগী খুজং তুবেল তোর্বান তোর্বানশিংদা,
যিম্নাল অগাওবা কম্না কয়ানা পাইখিবা,
অগাওবা হত্রাশিং মুংলিবা লাইশংও লাইশংওশিংদা,
মরু কোক্লা চীংদুম চীংদুমগী চীংদোনশিংদা।

ফাওদুনা শোয়দনা চত্তবা যাদ্দবা

মক্লাং য়াওদবা কা অসিগী থোঙ অসিসু
থোঙনা পান্দবা, মখোল থোক্লা নমখায়রক্তে কুক কুক,
নুংশি মীকৌসিবু পুন্নক্লিবা থাগী নুংশিং নাম্বিবগী
কল্লবা শাকৃসিনা
মক্লাং থাদবা ঐগী কাসিগী মক্লাং পুন্নসে
থক থক নোন্নক্লি, কিক্কুগদবগী নীক্লক্লি।

অদুবু, হে শকথঙদবা ঐগী থবায়গীদি মকপলোই,
মপ্পবা লপ্পীসিগীনা থোঙবুবোই'
ননাইনা তাজবিবদি
সুপ্নভগী থোয়থুম্লনা নুংশিববা
নুংশি মীকৌসিডনি।
মশিনা কবি হায়বিবা
মখোলসু খঙজদে,
খঙননবা থক তাকসু তার্কপদে,
ঐবু কৌথোকপবগা কবি ভৌকগদৌবিবা
শক হায়দোকপদে,
কৌবিনদুদা ঐনা থোক্লবগা
কনাগা উনকগদৌবিবা
থক হায়বিদে,
কদাইদা উনগদগে,
কবল্পা মতমদনো,
অমত্তসু তার্কপদে,
অদুগা কদাইদা চংসি হায়বিবনো
সুংগায় হায়দোক্তে থক।
কৌদা মকৌই,
কৌদমক মকৌই,
থোয়থুম্লনা নুংশিববা থোঙ্গেল অমনা
নুংশিনা,
য়াম্লা নুংশিনা
লেম্লা লৈতা ভত্তনা
ভোম্বনা ভোম্বনা।

মগিবু করি মত্তৌনো ইদুরত্তো
হথি হলা হনুম।

থরাম্নগী লেঙঙ্গবা খোঙবুরোই

ঐগী তাইবং কুন্দৈ পুন্না
হমদোক্লকই, নৈথোক্লকই প্রেক প্রেক,
অমুবা মাম্নুম উম্না অশিবগী
নোংলৈ নুংশিংকী কন্নবা শক্তা
হমজিল্লকুনা।

অথাম্নদগী নোংলৈ অসি
হ্বং হ্বং লাউনা মখোল থোক্লা
হ্বরু হ্বরু লৈশিন লৈশিন মতুম তাশিন তাশিন
উংশিল্লকুনা ঐঙোন্দা কন্না কন্না কৃজিল্লকই,
অচত্তবগী দোলাই হীরালসে
ফৃক্তোক্কুনা লংথোকখিনবা কন্না হোৎনল্লকই।

তেংপান পুন্না য়ৈথাবদুনা
মাঙহন তাকহন ওন্না শক্তমদা
অশিবগী লুহৎ উপ্লদুনা
অসুম অসুম ঐবু লাকখুনবা
লাক্লবকই।

পুম্নমক চাকথেক্লগে হায়বগী মওংদা
তাঙলাং থাঙনা মৈরী ক্রি ক্রি কামদুনা মথা
লাওনা কাথোক্কুনা পাইশিল্লকই ঐ তম্না।
অমুবা মচুনা থানা ময়োল ময়োল তৈশিনল্লবা
লাইয়েক্তা য়াওরিবা অমম্বা লম্বীদুদা
ঐবু ইশা লাক্কুনা চিংশিল্লগা
নমদুনা পুনবা কন্না হোৎনল্লকই,
খুৎশায় চেংনা ইশা শাগল অসি কন্না পায়শীনখি।
অদুবু, অশিবগী মথুং অদুদি

শোক্লকপদা ইংইং লাউই,
ওপ্লোক্লসু থোংত্রে,
নৌবনসু অনৌ অনৌাই,
মোনবনা মোন মোন লাউই,
অদুবু,
মপাঙ্গলদি হায়নীংঙাই নৈতনা কল্লি,
মানা পার্মখিবদা ঐ নাপ্লোকওক্নগী বা নৈতে।
মাগী খুৎপায় অদুদা ঐগী শিংলিগী ইসে
করি ওইখিবা, কবম তৌখিবা, ঐ হায়বা ঙমদে।
অঙকপনদি পূমথন থনখি,
ঐবু পূময়োমসু য়োমশীল্লকই।

ঐহাক কিবনা থক থক নীক্লম্মী,
খুদক্তা অমুক নুংঙাইবনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিং
অনৌ অনৌবা পাঙ্গল পোকপা
মঙীবেন্দগী লোইনাইদনা হাথবল্লিবা, ভেংবান পুন্না শীনথুংনা
ইবীদুনা নৈবিবা, ইবি অমনা
ঐগী হকচাংগী শিংলী খুদিংদা
ইচেল নাইনা চেল্লকই,
অদুদগী অনৌবা মপোক অমদা পোক্লকই।
অসুম্না, অনৌ অনৌবা শকওং লক্তম
কয়া কয়া লৌদুনা
হন্না হন্না মালেমসিদা মপোক কয়াদা ঐহাক পোকখ্রবনি।
অদুগা, অমম অঙাল নাইবা, পোকপা শিবগী লন্নীসিদা
হকং হন্দা কয়াবক হন্না হন্না চংখ্রবনি ঐ।
অদুদগী অমম্না লন্নীসি ফাওদোক্লগা
উজাও কয়া কয়ানা কুংনা হৌবিবা
শোঙলবা য়াংলবা চীংদোন অসি লাপ্লোক্লগা,
মঙালনা ফুদোংদুনতা নৈরিবা
অনৌ অনৌবা থরায় মিরেল পুবিবা
নামিবা নুংশিংনা তউং তউং
মকা লাম্না, মবাঙ কায়না শিংলিবা

চীংয়াগী তম্পাক অসি য়ৌবদা
অনৌবা মপোক অমা ঐনা হেক হেক ফংজে।

হিংচা য়াইতম্না মানবা,
তমখীনা অকিবা শক্তম যৌরিবা অশিবসে,
অমম্বা লম্বীসিগী ঐগী লমজিং মৈয়ানি।
মানা অনৌ অনৌবা মপোক কয়াগী
লৈশেমগী লোইনাইদ্রবা তীর্থ যাত্রাসিংগীনা
ঐগী থাজজববা চানজববা লেঙদ্রবা খোঙবুবোইনি।

খুদোল

উজরেনে ঐনা ঙসিদি
মীওইবাঐখোয়সে তম্বিরকপনি খুদোল ওইনা
তাইবং শেম্বা মপুনা
শাংলুনবা মালেমসিদা সনাগী থম্বাল ওইনা।
অদুগা সিমসু উজরে ঐনা
শিংলিদে মীওইবগী পুক্নিংদা
অপাম মীচৈ, কল্লক য়েংথী,
ঐনা মহেক্লে হায়বা অচাউ মখোয় কাবা
লয়াইগী অখূবা বাখলগী
কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎনা
হমদেক্লি সনাগী থম্বাল মরকসিদা

মসিমসু ইবুংঙো নঙগী খুদোল্লা
তম্বিদা য়াদবা?
ওম্মোকপগী মতৌনি নঙগী কুম্মৈসে
হযি হয়া হয়ুম।

সনাগী থম্বাল

ইবুংঙো নঙনা পীনখিরে ঙসিদি ঐঙোন্দা
পুন্সিসে সনাগী থম্বাল ওইনা,
লৈহীনা নীক নীক লাউনা
লৈনা লীশিং লীশিং পানবা
লৈরিক্লা যোমলিবা লৈযোনগী
নুংশি খোয়থুম্নরবা লৈনম্লা
ফুং ফুং লাউরিবা,
মপাল নাইহ্রবা মঙালগী মশেক্লা
পূমঙাল ঙান্দুনা
মতম পূম্নমক্তা অনৌবা অমুক্তা ওইদুনা
লৈরিবা।
তাইবং অসিদা মীওইপোক্কী
ঐগী হৃদক মপোক অসে ফংজবদা
ঐ অসে কয়াদা লাইবক ফব্রা,
পোকপগী মহম যাম্লে খঞ্জদুনা
ঐগী পুন্সিসে পূমথন থনব্রে
অহাঙবা মচেং অমত্তা লৈখিদ্রে।
মতম পূম্নমক্তা অনৌ অনৌবা লৈবাংজনা
লৈশাংতা তমদুনা লৈনম্লা ফুং ফুং লাউনা
শাংলিবা লৈকোলসে খোংনজরে।
হৌজিক্তি পুন্সিগী অরা অনা,
তিন্নবা কায়নবা, চান্নবা খাইনবা
পুন্সিগী অখা অয়াক মহাও পূম্নমকসে
হৈজিং ফাবরা হৈমুনগী খোয়থুম্নমনা
থুন্নবা লৈহী ওইনা চেঙ্গরক্রেনে
পুন্সি লৈরাং লৈনুংশিগী লৈকা খুনিংদগী।

নঙদি নুংশিবগী থকপা নাইহ্রবা ঙক্নুংনি

মতম পুম্নমক্তা চেহ্নরক্নুনতা লৈরিবা,
আঃ কয়াদা কনক্রবা, কয়াদা নুংশিত্রবা,
কয়াদা পান্দুত্রবা
ঐগী পুন্সিসে।
হে মপান নাইদবা,
মপু পুরেল শিদবা মপু,
পোকলেন পোকপা
শাৎলেন শাৎপা
হয়ি হয়া হয়ুম।

পোকপগী মহৱ

ইবুংঙো নঙনা উহনখিয়ে ঙসিদি ঐবু,
তারমদাই কোরৌগী শিথরকপা মশেঙা
অনৌবা অমুকী ওঙ্তোরবা মশেক;
কেল্লকলিবা নাপু শারবা উনাদা
ডগাং ডাং ডেক্কবা যেম্ৰীংগী তনৌ তনৌরবা মতোনগী মযোন
অমদা যাওরিবা মরাম, মরামদা লৈরিবা অমগী মতৌ
অঙানবদা লোংলিবা অমম্বা, অমম্বদা থুপ্লিবা অঙানবা,
মচেংতা যাওরিবা মপুমগী মনক, মপুমদা তুংলিবা মচেং,
নোংমা নোংমগী অসুম অসুম মপাং কারক্লি ঐগী পুন্সিসে,
নোংমা নোংমগী অসুম অসুম কজবসে থেংনবক্লি।
নুংশিত্রেদা ওত্থোক্লা ঐগী পুন্সিসে,
পাম্মুত্রেদা ওত্থোক্লা ঐগী পুন্সিসে লোইখিগদবা।

অদুবু পুক্লিংনদি হায়রি তোঞনা—
পুন্সিবু লোইহনবনি খক্লিবদুদা পুন্সিগী অশৌবসু যাওবিবনি।
ইবুংঙো নঙগী থৌজালসিদং ফংজর্বসিদা
ঐসে কয়াদা লাইবক ফত্তবা,
পোকপগী মহয় যাম্লে খঙ্গবে।

খোংবিরু ঐশুসু

(ঐনা মায়সু নুংশিজবা, মায়সু ইকাইখুম্নজবা ঐগী ইমান্না ঐজা বি, জয়ন্তকুমার শর্মানা ইবিবা চঠী ১০/২০মুক্তী মমাঙদগী ইরমদন অসিগী অতিয়া মকোয়দা মুংমাইদনা ওংদুনা লৈরক্লবা শ্রী অরিবম তোম্বীসনা শম্মগী খোয়থুম্লবা পৌরপ তৌবা খোংগে খোনপোক্লা ঐগী পূক্লিং হুখিবা ঈশৈ 'কৌবিরনু শ্যাম' হায়বা ঈশৈ অসি অমুক ঐজা জয়ন্তকুমারগী ঈশৈগী লাইরিক *পূর্ণ ঈশৈ শরু' শরু'* দা মাওরম্বা থেংনজদুনা পাজরুবগী ঐজাগী ঈশৈগী থিংঙমম্লবা ঈথিলনা ঈশৈসিমক্তী অম্রানবা চৈজাদুমক করিমত্তা তেক্ত কাবদনা লৌজরগা মখা ঐনা শমথক্তে, মসিগীদমক ঐজাগী আশীর্বাদ নিজরি। —শ্রীবীরেন)

"কৌবিরনু শ্যাম নঙগী বাশিনা তোইনা
থেঙলবা অহিংদা কদমগী মখোঙদা
রাধা রাধা হায়বা খুংখংত্তা।"

তাবিবমাগ্রে রাধাগী থরায়গী মাবা
খঙবিবমাগ্রে রাধাগী থশ্মোয়গী বাকং,
উবিরমাগ্রে রাধাগী অবা মৈচাক,
খোংখিব্রে বাশি শ্যাম অমুক হন্না
থেঙলবা অহিংদা কদমগী মখোঙদা
রাধা রাধা হায়বা খুংখংত্তা।

তাখিব্রে বাশি খোজেল,
শাউরক্রে যমুনা ঈথক হৌরক্রে,
শীংলক্রে অশাবা নুংশিং
হৌরক্রে বাম্বী মৈ রাধাগী থম্মোয়,
মৈরী খোক্লা চাক্রক্রে রাধাগী থবায়,
কাখেক্রে রাধাগী হকচাং,

তুম্মবিরে অহিং মীং কক্লা'মতা,
তেংথাম্‌রক্রে রাধা খোঞ্জেল খোঙ্গল
নুংষিরুনা—

যোংবিন্নু ইমুংতো থরাম্বগী চান্নবা,
নঙগী বাশিনা অরংপা লৈতনা,
কৌখোকপিন্নু নঙগী বাশিনা তোয়না তোয়না
রাধা রাধা হায়বা খুংখংতা।

ইকাই ইকি বাংযা লাল্লবীনি,
মীমাঙ পোমাঙ নাইহ্নবীনি,
ঐদি কিব্রবীনি কনজিনি এথোকপুসু।
কবন্না হিংসিগে চেঙলৌদু উদনা,
কবন্না খাঙসিগে মৈচাক খোঞ্জেলদু তাদনা
কবন্না লেনসিগে অহিংসে ইমুংতো নঙবু য়াওদনা,
অথেঙবা অহিংগী অমম্বুসু কিব্রবীনি ঐদি,
খোংবিন্নু শ্যাম অমুক নঙগী বাশি তোয়না তোয়না,
কদমগী মখোঙদা রাধা বাধা হায়বা খুংখংতা।
লৈঙমন্ত্রবীনি ঐদি মমদা তুমিন্না
চেন্নরুগে আয়োনগী মমসে থাদোক্লুনা
ননাকপু তম্না, উংলগে ঐদি তৌঙবীনি নত্তোন্দা,
খোংবিন্নু শ্যাম নঙগী বাশিনা অবংপা লৈতনা
তোয়না তোয়না রাধা বাধা হায়বা খুংখংতা
ইখৌলাংজগে কোকপা লৈতনা খৌরাংজগে।
খোংবিন্নু বাশি থম্মোয়গী চান্নবা বাধাগী থরাম,
তত্তনা ইখৌ লাংহনবিন্নু নঙগী নুংশিবগী।
খোংবিন্নু ঐবুসু,
শকহনবিন্নু খোঞ্জেল খোঙ্গা ঐগী নুংশিবসে,
ঙম্না য়েংজগে মৃৎপা ঐগী থম্মোয় মৈচাকসে।
হায়জররোই কৈদৌঙেদসু
কৌবিরনু শ্যাম।

খুরুমজরি ইমা হয়া হয়া খুৎ লৈতানা তোল্লবা মচানা

(মনুংগী শোল্লবা থবাক্না নাহেক্লগা)

নিয়ার'স নথিং মোর প্রেসিয়স দেন দি সোল - লিও তোলস্তোই

নুংথিল পোবোপতনি ইচান তানবা,
থীয়াম ডিনবা কৈথেলমত্তনি,
থীনা ডুং ডুং ডিঙ্গি
ঐথোয়গী লাইফম্লেন, থোংকী থোংজাও
থোক থোক নোঙ্গা নমথায়রি,
থাকথ-লাউথয়বাই নোংথাঙ লৈমা—
"থোরকউহায় মতু পানবা শাশিং,
করিগী লোংলি নখোয়
নখৌনা লৈরবদি নমীল লৈরবদি
রেপ অজ, রাইন্ড বীট
কম আওট
বি ওল আর মনোরমাজ মাদর্স্
মখোঙ মরি পানবা শা কাওবা
অমোঙ্গা মান্নবদি হেল্লিন্দবনি,
বি আর মণিপুরী লেদিজ
যু অন্দরষ্টৈন্দ।"

চোংশিন-চোংশিন্দুনা লাউরি
ইকায়বা পুম্না হন্দোক্তুনা
মখাঙদা লেংলিবা ফনেক
নুপীগী ইকায়খুম্নবা ভাক্লিবা ফনেক
কোপোক-কোক্লা থোক্তোক্লগা
লাক লংথোকখি,
ইহাও হাঙনা, ইকোক কোক্লা
ফন ফন চোংশিল্লি

হয়া হয়া কিবা লৈতনা
চোং-কনখি মশম মনা থাদোকুনা।
লাওনা লাওনা কাপ্পুনা
চপ তিংখংনা কপ্পুনা চংলি
কোয়চং চংলি কোয়রাঙ লাঙজি।
অদুদগী বাম্বুবি ইশাং শাংনা
লৈবাক্তা তাখি,
হুমাংনা পুন্নুপ লুপখি।
জগংতা ওইখোক্তবা খৌদৌনি
মঙনি,
মঙগুম্বনি,
লৈরম্বা মী পুম্না শমজি খাইনদুনা চেম্নখি
মাইকৈ শলাই খণ্ডদনা।
নুমিংনা মমীং লাওখোক্লুনা চপ য়ুংখি,
জ্ঞান মাঙখি,
কনাগী মীংনা য়েংবা ঙমগনি?
মখোয়সে মৈতৈ লোকপী ইমানি,
থম্বাল লৈয়োম্না ওনখিবা মৈবুলনি
মসিনি ইমা নঙগী থৌনা,
ইমা নঙগী মীনুংশি,
খণ্ডহু, তাইবংপানগী মী পুম্নমক,
শাম্বোইবী ইমানি ঐখোয়গী,
শাম্না কৈরেন শাদোঙ ওইখিবা,
মোইবাং থোইবীনি ঐখোয়গী
খুংতা লোবি শায়দুনা
মশাবুং যুবরাজ তানখাইখিবা
মশাবী লান্দবগী থবায় কনখিবা
মসি খণ্ডহু, মসিদনি মৈতৈ ঐখোয়না চাউথোকচবিবা।

অদুগা, ঐ খণ্ডজি ইমা,
হুমাং নম্বে হুকচাংগী,
মীংকী শিনি ইমাগী নুংশিবগী,

শীবনি ইমানা মমল, মমল নাইদ্রবা থবায়গী,
মখোয়নমি কাওথংডুনা, ঋিদংডুনা
খনংডুনা কোয়নংডুনা,
খোঙপাক্লা নৈহৎলদা, নোংমৈনা কাপখায়দুনা
খঙ্গাল নৈযোন পিংনা শাখিবা
হল্লোকখিবনি নুখাক্লাওম চীংগোলদুনা মমল নৈতনা
মদুদা শীষ্ণুখিবনি মীৎকী পি, থবায়গী মমল শীখিবনি,
তাকখিবনি থবায়দি চপ মান্নবনি অমগীদা চাম্মগীদা।
থবায় অমনা পত্তি নৈতনা কপ্তুনা কৌয়কপদা
থবায় অমনা নুংশিনা খুমখিবগী
ঈক্লবা মীকপখোলনি;
মান্নি যৈখিবনি ইমাগী থবায়দা
তাপ্পবা মী কনা তাপ্পবা চীংনুংদগী
পুমচীক চীক্লবা খেঙলবা অহিংগী মতমদা
কনবিনবা কনা নৈত্রবা
পিদোল্লবা ঈহিং নাহিং শায়বা থবায়গী নাহেংখোলনা যৈখিবনি।
অদুনা ইমাগী লেংলবা থবায়গী নুংশি ঈশৈনা
ওসিদি তাইবং থবায়দা যৈরবে,
ময়োল লোল্লক্কে মখোল খোল্লক্কে ঋপংকী থবায়।

মসিনি মতমসিগী লমসিগী চপ চাবা নুংশি ঈশৈ,
মসিনি মতমসিগী লমসিগী চপ চাবা শৈরেং,
শক্তনি ঐনা মসি থবায় শোক্লা
মখোয়দি লাইবিক হৈবী নত্তে,
বি এ নত্তে, এম এ নত্তে,
পি এচ দি নত্তে,
ওফিস কাবী নত্তে
ওজা নত্তে অবাংবা থাক্কী
নত্তে উকীলসু
নত্তে দাক্তরসু
মখোয়দি ইচম চমজবী মঙাল নৈতবী
ইদ্রাং মনা মশীং য়োনবীনি

ভাবোনবীনি, চেক্লাসবীনি হৈবোনবীনি কিশাবীনি কিযোনবীনি
নুং খাংদুনা নুং থুনাজদুনা নুং চামদুনা, চেক হোন্দুনা
লৈতোম্ব পেক্লুনা লৈতোম্ব চন্দুনা লৌ তদুনা
হাজীরা ভুবীনি মখোয়
অদুবু মখোয় মুমুবীনি ঐখোয়গী
অদুবু মীওইবনি মখোয়,
থম্মোয়দি পানবনি মখোয়,
থবায়দি পানবনি মখোয়
মসিনি মীচম ঐখোয়গী থম্মোয়গী মকোক্তদোক
চৈন্না কংলবশিংগী খুনগী মুন্নকী
চন্নবা মীচম ইমা ইবেন ইচন ইচাশিংগী
মসিবু ঐনা পামজে,
মসিনি ঐগী কলাদি, নত্তে
লাইরিক হৈবগী কলাদো ঐগীদি,
লাইরিক্তি হৈত্তে মখোয়
অদুবু থম্মোয়গী ইশৈদি শকপনি মখোয়,
থবায়বুদি খঙবনি চপ চানা।
অদুনা মসে মখোয়গী থবায়গী মকোক্তদোক্তি
থবায়দা চপ চানা খেংঙ্কুবা ওন্না, মৈকবা ওন্না,
মখোয়সিনি লমসিগী ইমা,
অশেংবা ইমা।

ওইহনবিগনু ঐবু কলাকাব
যোন যোন্দুনা নান-নান্দুনা থন্না কলাগী,
ওইজনীংদে ঐদি হায়বোই হায়দবোই তৌবা
শৈরেংগী কবি,
ঐদি মতমসিগী মফমসিগী চপ চাবা
কবিনি।
মকোক্তদোকসি নত্তনা অতৈ লৈতবনি
মৈশা ফাওদবা মীগীদমক্তদি।
অদুনা খুরুমজরি ইমা তোল্লবা নচানা
মতমসিগী মফমসিগী চপ চাবা মকোক্তদোক শীবিরে ইমানা
নচাদা।

খুরুমজরি খুড লৈতানা হন্না হন্না,
খুরুমজরি,
মীংকী পিগা লোক্তনা
খুরুমজরি ইমা হন্না হন্না
ইমা মৈতৈ পোকপী
ইমা মণিপুর, নুংশিবী।

থবায় মিকৌ শৈরোই

হৌজিক্তি শৈরোই থাবু হায়বগে
থবায় মিকৌ থাবু হায়গে।

হয়া লাউমা শৈহৌখিবা, হাদা শৈহৌখিবা,
হয়ুম হায়না শৈরোইগেকো, হা শৈরোইগেদা দে।
থবায় মিয়েন নঙবু খনিং নীক্লা নীক্লা নীক,
কোনশিনজেয়ে হা কোনশিঞ্জেয়ে দে।
হে থবায় মঙামক,
মিগা থানা ভকক্কমক,
থবায় ইমাঙ থাসি লাউ,
মিবেল ইমাঙ থাবো লাউ।
লাউ, লাউ, লাউ,
হাদা লাউনে, লাউনে দে।
তেকপি ওকপু তোই তোই কৌবদি
ওকপু তোই তৌই কৌদেয়ে,
ঐগী থবায় বাহৈবু তোই তোই কৌবনে,
কাইবৈ য়েনবু কুক কুক কৌবদি
য়েনবু কুক কুক কৌদেয়ে,
ঐগী থবায় বাহৈবু কুক কুক কৌবনে,
কাউবেন সনবু কোল কোল কোলবদি,
ঐগী থবায় বাহৈবু কোল কোল কোলবনে।
মিবেল লাবা লিহৈবা
মিবেল লাবা লাংথাকপা,
লিনবু শৌনা য়ুদেয়ে
নুংশিংপু লাংদা থুদেয়ে।
পান্দা শীংপনা নুংশিংনি,
নুংদা শীংপনা নিংলানি,
নুংশান অনী তূনা শীংলগা

নুশিং নুংশা হায়বনি,
অনীসিদা লৈবনা থবায় ওইনা হিংবনি—
মিরেল ওইনা চত্তবনি।
আ আ আ, হা হা হা
হো হো হো, ই ই ই।
আ হায়বনা অহাঙবনি, অত্তিয়ানি,
অহাঙবদি নুংশিংনি,
নুংশিত্তগী মৈ শোকপনি,
মৈদগী ঈশিং থোকইদো
লাইজ ঈরোলনুংদগী মালেম লৈমা লৈশা চিংথংই,
লৈনাং লৈশা ওই
মাওরকপনিনে হে মণিপুর নত্তসে
লাইনা থাবা লৈবাক্তি,
চীং তম অনীনা ওইবনি
অমথত্তনিনে, অমথত্তা।
নপাল্লী লেংথবা নত্তরি লোত্তথবদা
থৌথিংবা থবায় খোমজিল্লে,
মিরেল তোংমলাবা কৌচিন লাং।
থাখাদা শিংঙেল লৈপুন শানা কচ্চলৈ,
চীংপুলসিদা শাংশা লৈ,
শিংঙেল অশাং লৈ,
খুইগববা খুইদলৈ,
কোবৌ অঙাল অয়াকপা
যাকবরা যাত্তলৈ,
লৈবাং লৈনা পংকববা পংতলৈ,
নোংপাল শাক লুতোংলৈ.
হোঙনেম লৈপুর্নাপ পুজি ইবাললৈ,
লুরাং সেলতোংসনা
চুপরেন লাপুঙালনা হেম্লৌলৈ.
চাবোল তরেং লোনচিল্লৈ,
শুবোল তরেং তানফংলৈ,
পাথং লোলথেও কুমজিং মত্তা লোজ্জিল্লৈ,

নুংশা লোলথোঙ তানক থেংচিল্লে,
শিংজেল পোম্মলে,
লৈয়াং শাংনলে,
পুইতিংঙা কুইনালে,
খাগী লংনা য়োম্মলে,
কিয়াংলানা হেনমোইলে,
খাগী লোইতক্লনা শাংনলে,
তংতবদা হেক্রো লৈ,
থবায় মণ্ডামক কাউরেল সনবু ওইনা শেনবি,
অম্বুক ওয়া কোম্থোকপি,
নুমিদাং ওয়া কোনশিনবী
হে, থবায় মণ্ডামক
মিগা থানা তকুকমক,
কু কু কু. মম্ মম্ মম্
শাইমনুংদা কো[illegible]নগেকো, হাদা কো[illegible]নগেদা দে।
উনবিনুংদা হোইবৌ হোইনা হোইজিনগেকো, হোইজিনগেদা দে।
সনাখাদা থৈজিন থৈজিন থৈজিনসে, হাদা থৈজিনসিদা দে।
লিক্লোল থবাক খায়বোক খায়,
সনা হংচৈ লোনবিয়ু,
সনাগী বাইখুদা রুপাগী শোজেনা
শো ক্রক শো লোন,
কুমায় হাং, কুমায় থিং
থিং থিং কুমায় থিং.
কুমায় থিংলবনে।
হয়ি চা হয়া হে, হয়া সে হয়া, জিককাই ও।
হয়ি হয়া হয়ুম।